ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯑꯃꯥ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯑꯃꯥ

নুমিৎ অমা পুন্সী অমা

ইরুংবম দেবেন



মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটি

ইম্ফাল

নুমিৎ অমা পুন্সী অমা

ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯑꯃꯥ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯑꯃꯥ

নুমিৎ অমা পুন্সী অমা

ইরুংবম দেবেন



মণিপুৰী লিটৰেৰী সোসাইটি

ইম্ফাল

Numit Ama Punshi Ama

(*One Day One Life*)

A Collection of Sixty Seven Manipuri Poems

by Irungbam Deven

April 2011

ইহান হান্না ফোংবা এপ্রিল ২০১১

অফোংবী শ্রীমতী এল ইন্দিরা দেবীনা

মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটি, এসেম্ব্লি রোদ, ইম্ফাল—৭৯৫০০১গীদমক ফোংবা

নম্ফম পদ্মা প্রিন্টর্স, পাউনা বাজার, ইম্ফাল—৭৯৫০০১

মখুমগী লাই শ্রীথোইদিংজম তোম্বী সিংহ

কোপী মশীং ৬০০

লাইরিক ফংফম ১) মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটি, এসেম্ব্লি রোদ, ইম্ফাল

২) অইবগী যূম অমসুং ৩) ইম্ফালগী লাইরিক যোনবা দুকানশিং

মমল লূপা ৯৯/-

অইবগী হান্না ফোংখ্রবা শৈরেংগী লাইরিকশিং ঃ

১। মোহিনি (১৯৯৯)

২। ঐ শিরগী পাউ (২০০৬)

৩। ঐ লাই উবে (২০০৯)

মসিমদি ইমাগীনি

সেক্রেটরীগী ৱারোল

ইববু পামজবা নহা ওইবিবা অইবশিংতনা লিংখৎখিবা মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটি অসি চহি কুনমঙা মপূং ফাদুনা 'লূপানা ফূদোংবা চহী' হায়না চহী অমা চূপ্পা পালন তৌখ্রে। সোসাইটি অসিনা লিংখৎখিবা খৃঃ কুম ১৯৮৫দগী হৌনা হৌজিক ফাওবদা মতম মতমগী থৌপুরশিংনা শীন লাঙদুনা সাহিত্য অমদি সংস্কৃতিগী থৌরম কয়া পাংথোক্লুনা লাক্লি। সোসাইটি অসি সাহিত্য একাদেমী, নিউ দেলহীনা শকখঙলবা সংস্থান অমনি। মণিপুরী সাহিত্যসু মালেমগী সাহিত্যগী খোঙজেলদা যাওবা ঙম্নবগীদমক মতম মতমগী ওইবা সেমিনার, সিমপোজিয়ম, ৱার্কশোপ, শৈরেং শৈদিন্নবা, ৱারী মচা পারা, লাইরিক্কী মরমদা খন্ন-নৈনবা কয়া পাঙথোকপদা নত্তনা সাহিত্য অমদি সংস্কৃতিগী ওইবা থা ৬/৬কী চেফোঙ *সাহিত্য লৈচল* কৌবা অমসু পুথোক্লি, লোয়ননা সোসাইটি অসিগী মীৎয়েং মখাদা সাহিত্যগী ওইবা লাইরিক কয়াসু পুথোক্লি। হৌজিক ফাওবদা অইবা মযামগী খোমজিনবা লাইরিক মরি পুথোকখ্রে। খৃঃ ১৯৯৩দা *নূপীগী খোঞ্জেল* (শৈরেং), খৃঃ ১৯৯৪দা *খুনীং নেৎকে খুমাঙ নেৎকে* (শৈরেং), খৃঃ ২০০৫দা *নৈন-ৱারেং খোমজিনবা* (ৱারেং), খৃঃ ২০১০দা *লূপানা ফূদোংলকপদা* (শৈরেং) পুথোকখ্রে। সোসাইটি অসিগী অইবশিংনা সোসাইটি অসিগী রেন্নব মখাদা পুথোকপা তোঙান তোঙানবা লাইরিকশিং— শৈরেং, ৱারীমচা, উপন্যাস, ৱারেং, নৈন-ৱারেং লাইরিক পূন্না হৌজিক ফাওবদা নিফুমঙা শুরে। খৃঃ ২০০১দগী হৌনা লমদম অসিগী অফবা লাইরিক খনগৎতুনা 'সেরাম মুক্তা শেলগী মনা' চহি অনী অনী কান্নদুনা অইবশিংবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা পীদুনা লাক্লি। হন্দক পুথোকচরিবা ইকুংবম দেবেনগী *নুমিৎ অমা পুন্সী অমা* কৌবা লাইরিক অসিনা সোসাইটি অসিগী ৪৬শুবা লাইরিক্লি। সোসাইটি অসিগী নহা ওইবিবা অইবা ইকুংবম দেবেন খৃঃ ২০০৯দা *ঐ লাই উবে* হায়বা শৈরেং লাইরিক অমসু পুথোকখ্রবা অইবনি। খৃঃ ২০১০দা পুথোকপা *লূপানা ফূদোংলকপদা* হায়বা সোসাইটি অসিগী অইবা মযামগী শৈরেং লাইরিক্তসু শৈরেংশিং খুদোল তমখ্রবা অইবা অমনি। নহা ওইবিবা অইবা অসি মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটিগী লাইফ মেম্বরনি। হন্দক পুথোকচরিবা মহাক্কী শৈরেং ৬৭কী অপূনবা লাইরিক *নুমিৎ অমা পুন্সী অমা* অসি শৈরেংবু নুংশিবিবা খ্বাই তবাগী খুৎতা শিন্নজবি।

শামুঙৌ থোকচোম
জেনরেল সেক্রেটরী, মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটি

ৱাহৈ খরা

শৈবেং ইবসি মতম ফংদবনা মায ফজনা ওনশিনবা ঙল্লক্তবদা ইবা তোল্লসিবা হাযনা কযাবক খল্লুবে। মসি নূপা অমনা মাগী নূপীগা খৎখৈ খৎনবগা মমৈথংদা শিজবগে হাযদুনা চৎলুবগা শিবা ঙমদনা হল্লকপগুম্বনি। তোকপদি সূকঙম ঙল্লোইদৌবি। অহৌবদদি কযা খঙদনা ইজখিবনি, হৌজিক্তদা ইকাযবকই। মরূপ মপাংশিংনা কান্নবোই তোক্লো হাযবদি অমুক্তা হাযবিবক্তে, ইথখো হাযবসিদনি। হৌজিক্তদা খঙলকই মসি তবাইনা লৌবা য়াবা ওইবমদবে। মাঙলোমদা ঐহাক কযা যাম্না চঙশিনবা ঙল্লবগে হায়বা খঙজদে। অদুবু মাঙলোমদা চঙল চঙলগা হল্লবগী লম্বী অসুম মাঙখিবগুম তৌই।

নোংমগী পুম্নীদা তত্তনা থেংনবা অৱাবা, শাউনীংবা নৎত্রগা থম্মোয শোকপা (কবিগুম্বদনা নুংঙাইবা, নোক্লীংবা নৎত্রগনা মথোঙ হূক্তবা) থৌদোক কযানা শৈবেং ইনীংহল্লি। শৈবেংদা ফজবা ৱাহৈ থিদুনা ইবদি পাল্লক্তে। মদুম্না তৌববদি মমৈথংদা ৱাহৈ লৈশিল্লক্তবা যাই, মদুমক নৎত্রগসু শৈবেং অমগা অতোপ্পা শৈবেং অমগা মান্নবকপা যাই। ৱাহৈ অমসুং আইদিযাশিং অসি পাযদুনা শান্নজবদুনি ঐনা নুংঙাইজবদি। অদুগা, মতম কুইনদগী লৈবক্লবা ঐগী অপাম্বা অমদি— শৈবেং অমগী ৱাহৈ খূদীংমক্তা নৎত্রগসু পবেং খূদীংমক্তা যাম্না 'পোএটিক' ওইবা মফোঙদোক পীবা ঙম্বদুনি। অপাম্বা অসি অদুমক থুংদনা লৈখিবসু যাই।

শৈবেং ইবগী মবম অমদি লৈফম থোকই। হাযবিবা মবম অসি অইবা অমগা অইবা অমগা মান্নবমদবা যাই। শৈবেং ইবনা কবিগুম্বা থম্মোযদা ফুনগৎতুনা লৈবা পেন্দবা, ঈখৌলাংবা, শাউনীংবা, নুংঙাইতবা কযা ইববা মতূংদা খবমখৈদি ফবকই হাযনা খল্লি। মসি কান্নববা হীদাক মখল অমনি। মসিমক কনাগুম্বা অমনা মহাক্লা পামজবা নুংশিজবা নুজা অমদা চিঠি ইববা মতূংদা (থাববসু থাদ্রবসু) নুংশি মৈচাক খবা ফবকপা অদুগুম্বনি হাযবা যাই। অৱাবা অমনা, কবি অমনা ইবিবা অদু থম থেংনা কনাগুম্বা অপাবা অমনা খঙবা ঙম্বা ওইথোক্তে। মী অমনা মী অমগী থম্মোযগী ৱাবু চপচানা খঙবা কবম্না ঙমগনি?

কবি অমগী শৈবেংগী থীওবিগা অতোপ্পা অমগী থীওবিগা মান্নদে হাযনা লৌজে। মসি মাগী মাগী লৈজবিবা এক্সপেবিএন্স নৎত্রগা মীৎযেং অদুগী মখা পোল্লি হাযজনীংই। কবি অমনা ইবিবা অদু অতোপ্পা মীওই অমনা হেক্তা পামদবা, খঙদবা নৎত্রগা যানীংদবা যাই। ঐহাক ইশাগী ওইনা থীওবি অমা লৈবে হাযনা হাযবদি নৎচদে। শৈবেংদা (শৈবেং অমখক্তংদা লোইনমক লৈবা নৎত্রবসু) নুংঙাইবা পীবা, জ্ঞান লৌশিং ওইবা যাবা নৎত্রগা সমাজদা অহোংবা পুবকপা ঙম্বা ৱা তূংদুনা লৈ হাযনা ঐহাক্লা থাজে।

মসিমক হাযদুনসু জ্ঞান লৌশিং পীননবা নৎত্রগা সমাজ সংস্কাব তৌগে হাযদুনা শৈবেং ইবদি নৎচদে। পাবিনবা ব্রাৎপনা শৈবেংনা কান্নবা যৌনা পীবা ঙমদবনি হাযনা লৌই। অদুবু মযাম্না পাবিনবনি হায়দুনা শৈবেংবু চমথোকহন্দুনা মীযাম্না খঙনবা মওঙদা শৈবেং ওইনা ইবা কনাগুম্বনা পামদবা যাই। শৈবেং অসিদি যাম্না ইন্টেলেকচুএল ওইবা পোৎনি হায়না ঐহাক্না লৌজৈ, হেন্না লুনা চঙশিল্লিবমখৈ মসিগী মগুণ হেনগৎলিবনি। ইচম চম্বা মী অমনা শৈবেংগী নুং যৌনা চঙলক্কুনা খঙবা ওইথোক্কে। মবম অসিনা বিদবশিপকী সমস্যা অসিমদি লৈখিগনি। অমবোমদা হাযবগা, শৈবেং হাযবসি অইবশিংগী মবক্তগী ইহেন হেন্দোক্তনা মতম খবা অসুম লৈখিবসু যাবি। মসিমক্না ইবদা নীংহন্ননীংঙাইমক্তি ওইদে হাযজনীংই।

ইকুংবম দেবেন

থাগৎচবা

লাইবিক অসিগী মতাংদা ঐবু নুংশিবিদুনা মমল য়াল্লবা পাউতাক কয়া পীবিবকখিবা অমদি লাইবিকী মমিং থোনবিবকখিবা ইকায়খুম্নজবিবা ওজা শ্রীথাংজম ইবোশিশকী লমন কয়ম্না শিংগনি? বানান অমদি বাহে বাতাশিংগী মবমদা ফজববা সজেসন পীবিখিবা ওজা শগোলসেম লনচেনবা মীতৈ, তামো প্রহ্লাদ শর্ম্মা, তামো দোনেশ্বর কোনসম, মৰূপ নী দেবী— পূম্নমকপু তৌবিমল খঙবা উৎচবি। পীবিবকপা সজেসন খুদীংমক ঐহাক্না লূনা লৌজববসু মতাং খবদা ঐনা ঐগী অনীংবা খবদগী হান্নগী মওঙদা থম্না খবদি অদুম ময়াওখি, মসিগীদমক বাবৌবিবোই খঙ্জে। শৈবেং খর্বাদ সাহিত্যগী চেফোঙ অমসুং এস্ত্রোলোজিগী লাইবিক্তা য়াওম্ববনি। লাইবিক অসিদা হান্নদা খজিক খবাক শেমদোকপা য়াওখি। মখুমগী লাই য়েকপিখিবা ইকায়খুম্নজবিবা ওজা শ্রীথোইদিংজম তোম্বী সিংহবু থাগৎচবি। অবোইবদা, ঐহাক্না মতম খবা শাংনা লৌজবদা য়াবিখিবা পদ্মা প্রিন্টবসকী মেনেজব তামো ইবাবত অমসুং টাইপসেটিং তৌবিখিবা ইনাও অনী- ইবোমচা অমসুং মনবমন— পূম্নমকপু শৈবেংশিং অসি লাইবিক ওইনা শেম শাদুনা মশক মওঙ অমা পীবিবগীদমক থাগৎচবি।

য়াওফম তাকপা

য়ু থকপবু কৈদৌএগে?

মুগী খরুংদা তাউবি
লুপয়োং লুপয়োং
ইবাক ময়াম।

য়েংবনা কয়াদি ফজত্রে!

নুপা অমনা য়ু থক্লি
গিলাসতা হৈব হৈবগা
লিভব টৌনিঙ্কা যার্নশন্নবগা।

য়ু থকপদু কৈনৈ এগে?

(৩০ নবেম্বর ০৭)

মৈবানবী

কৰিগদে ইথাম্ন তম্মিনা
শঙ্গুরুদা ঠোংশিন্নবিরগে
মখুইক মঙোন্দা
অমগা অমগা নেংশিন্নবদুনা,
কৰিগীনো ইশিংগে
অসুক থৌনাংলিবা শিবদু
ছুগগা, নাহি অনিবনা
কৈ কৈদুনা কৈ কৈদুনা
লেংলবি মীখাম্বা মীং কুপ্তবমথৈ।
মনুংশিন্দা ভাবকমুই
কীকপ্প লোইসু লোইদ্রিবিক
হুম্ হুম্ মাগুম্
[illegible] [illegible] [illegible]।
[illegible] [illegible] কল্পুর কল্পগা
[illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible]।
লেঙ্গা কৈরগে লেঙ্গা কৈরগে
[illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] অসুম অসুম।

([illegible] [illegible])

অশাবা লাইশিং

হি কমা কমা
লম্পী অসোয়ন চৎখি।
অতোঙবা ময়মদা কেপ্তুনা
মশান মশাদু বাংনা চিংথেক্লুনা
অমুক খুনীং কাওনা লেপ্লদুনা
হিগী মখক্তা য়েংথবকই।
ত্রাসাগী নাইলোগকুম চিনফা পুবদা
অশেম্বা বাহৈ থবা ভাঙলদুনা
মশানা মশাদু লাইনি হায়বকই
অদুগা হিগী মথক্তা নেৎতুনা শাসন তৌবকই।
অকিবা ময়াম শন্দোকই
মী অমদগী অমদা মী অমদগী অমদা এৎং মৎং
এ'পন্দেমিক অম হুম।
বাখল পুক্লীং ক্রক ক্রুক ফাঙজলকই
হকচাং পুম্বা খুদুম চংশিল্লকই।
মীওইবা
শিংথম্ব মাঙস্রে অচুম্বা লম্বী মাংস্রে
পান্নল শক্তি থৌনা লেইস্রে।
যেংঙু হি মথামদে
বাখলগী লায়নানা লাযচুবগী অকিবগা লাকচৎলগা
খুংথিলগী মতমদা মঙ মঙলিবা
মঙলাক হাবাক্লবিবা।
হীনা ফলা ফবা ওইদুনসু
লাই ওইবা য়াবা তৌনদ্রু।
হি হায়র্দসগী ফজবদা উনশগী এশাদা
মকা পুম্বা শদেং
পুম্বা শদোংগী মনুংদা পাক চেল্লবা থম্মোং
মনম নমইদবা

[illegible] [illegible] [illegible] নংথোকফম লোৎশিনফম,
[illegible] [illegible] লাইনি হায়গদৌরি?
[illegible] পুনশিল্লি মীওইবগী বাখলবু, মিনা
[illegible] [illegible] থুবরা তীনবু
[illegible]ইদা পুনশিনবগুম্বা,
[illegible] চংলাই গুম্বা মথৎ মখোঙ পুনশিন্দুনা
[illegible]নংবা [illegible]ওঙদা হাইদুনা।
[illegible] [illegible] মখোযনা পুবা মায়কৈদা
[illegible] [illegible] মীওইবা মমীৎ উইশিল্লা
[illegible]।
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] চোংথোকপমদৈ।
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible]।

[illegible] [illegible] কাবরাদনি
পুংঙইবরা কুম্মি অমনি।
[illegible] [illegible] কাব ওইফম থোকপগে।

([illegible])

থাজ চংলি

থাজ চংলি অসুম চংলি
যুগ কয়া অসি চংতুনা লাক্লি।
কবিগুরুদা হাইনা হয়্রা
কবিগুরুদনা কিথী কিকম তৌনা
লৈচিলগী দোলাই তোংদুনা
নংত্রেগনা লৈগী লেলাই তোংদুনা
নংত্রেগনা অপাইবা কু তোংদুনা।
চংপা লেপ্তে চোকথবা লৈতে
চংপত্তনা এশিঞ্জাংনি।
থাজ চংলি অসুম চংলি
খজিত্তং নোম্বদুনা চেপথদুনা
খজিত্তং মোমোন নোক্তুনা
নংত্রেগা মিপাইনা।
ঐহাক্না উত্রে কবি কয়ানা উত্রে
উত্রে লাইয়েকপা কয়ানা ফেংটোপ্প মক কয়ানা,
লাইরবা কয়ানা উত্রে।
ঐনদি কয়াদা নুংশিজরবা এহ কপু
ঐনা হায়রবা য়াদনা চংহি মচাক
কায়রবা থম্মোয় পুদুনা লৈহৌই।
ঐগী ওইরোই খঙনা খঙনা
থম্মোয় অসি শীথোক্লুই।
কায়নররতদা খতুনকই অশেংবা মাগী পুকচেল।
মাগী খুৎনাং চারবদ ভৌবরা হকচাং
ফজরদি অসুম হেনগংপা
পুকচেল লেপ্তুবী
মশাক মতৌ ফজরবী নুঙ্গা অমগুম
অমুকসু য়ানীংগুম অমুকসু কিংগুম
অমুকসু শাউনা অমুকসু নেক্ক

ওক্ষী থন্নৌগী ফজবদা শুমহৎতুনা
ঙবেবা চিনবাগা অর্থ লৈনা নোক্কদুনা
বাৎতোন তৈ তৌদুনা বাৎতোন তৌ তৌদুনা
কল্লকচন্দুনা
মবগুমসু তৌ মাদগুমসু তৌ
থাজ চৎলি অসুম চৎলি।

(১৮ সেপ্তেম্বর, ০৯)

নুংশিবা মনম নমথীবা মনম

নুপা অমনা ইনাক্তা
চুক্নপ থক্কুৎলকই
মৈখু রা রা কামথোক্লদুনা
নাতোনগী সাইলেন্সর পাইপ অনীদগী।
কবিদবু থক্লীংলিবনো খণ্ডদে–
তপ্না তপ্না শিবা
মৈখুগী হু থক্লদুনা।
চুক্নপকী মৈখুদগী
নোংলৈ নুংশিৎ অমা হৌবকই।
লৈনা লৈনা কাখৎখিবা চুক্নপকী মৈখুগা
মুপুক মুনা মংলিবা সহরগী মৈখুগা
অমত্তা ওইখি।

* * *

বন্দ নুমিত্তা
অচাকপা টায়ারগী মনম্না
শীল্লকই মায়কৈ থুংনা
নমথীববা ধূপকী মনমগুম্না।
মৈ চাক্লিবা হকচাংগী মনমসু
বিড়ি মনম নমই।
(কল্লাগুম্বী নূজা অমগী শল্লাংগী
নুংশিবা চীংহী মনমদি নত্তে।)

* * *

আত্তরগুলাপকী মনমদা
তিংখং পাল্লি,

মৈরিথৈনা ময়েংদনা থুনা লেংশিন্দুনা।
চৎলক্লিংনা য়োম্বশিল্লি নুংশিবা লৈনম,
থম্জিল্লু লোম্না থুপ্না কনা খুডঙ্গদনা।
নুংশিৎকী হুৎলাক্লিংনা থেংবদা
হংজা' থন্দোক্কই
লৈনম অদো
হংলদুনা।

* * *

থবোমীনা খল্লি নুংশিত্তা
মশা অনী অদু ফন্দোক্কুনা।
নুংশিৎকী পাত্রদা
হূনা শীক থম্না য়াওই।

চানবা চাক্তা হূ থক্লবা ঈশিংদসু হূ
য়্বৎ হৌল্লিবা নুংশিত্তসু হূ,
হূতনা শীল্লক্লে হকচাংগী
কাচিন কোয়া থুংনা।
হূ চেনবা বাহৈ হূ চেনবা মীৎয়েং
হূ চেনবা থম্মোয় ।
কদায়দনো থিকপদবা অশোংবা
হূ চেন্দবা য়ানশিন্নদবা পোৎশিং?

* * *

অশিবা হকচাংশিংগী মনমদি
অাতৈগুম্লাপকী মনম নমই।
অশিবগী নাপুনা
ফজবুরা লৈ নাচোম চিল্লি।
লেম্বুরা থগোংশিংনা

কঙ্খি হকচাংদু কোন্দুনা।
অশিবা হকচাংগী মফম খুদীংদগী
লৈবাং শাৎকায়বকই ফুগায়না।
মনম্মা শবা শন্নকই।

(১৪ সেপ্তেম্বর ০৯)

অঙকপা থৌদোক অমা

মহুৎ নুমিদাং অমনি।
চুতুলগা ইকোৎ অমনি।
নোংমৈ নুংশিৎ কপ্পা শিংলি।
মহুৎ নোংমৈ নুংশিৎ মায়োক্নদুনা
অমম্বগী মথক্তা তেংদুনা শগোল থৌবি ঐহাক।
শংজেন কল্লি শগোলদা শেং শেং লাউনা।
লম্বি চম্ম চম্ম উবকই মীত্তা
মশেন মবাং
ইয়েং য়েংশিন্নবিবা লিনগী চবুনগুম।
ট্রাফিক্কী লাইটশিংনা
জগোম্ম শাই ইমাগুদা
মফি পুম্বা লৌথোক্লুনা।
চেনশিনবি নুমিৎ থা থবাম্নিচাক পুম্নমক
গর্মিশিংনা কিবদুনা।
লম্বীগী লাক য়েং
কক কক ইমনা লেল্লি মূমশিংনা
উশাম্বীগুম্না
তুম্মক তুম্মক,
য়েংলিঙৈ মশাগা মশাগা।
অহিং অসিনা তাদুনা লৈ লেঙদনা
ঐগী লানফা ওইনা।
হায়বু মহাশয়,
কদিদেনো নঙগী অপাম্বা?
পুরগনি নঙবু ঐহাক্না
অকি তুজুংবনা থহবা সহর অসিদগী
য়াম্না থাম্না।
লৈবাং ওইনা শাংহনগনি
নংত্রেগা ওইহনগনি নাম্বিবা নুংশিৎ

হ্মহনগনি নঙবু ঈংনা তপ্পা।
নঙগী অমম্বগী ফীজোলসে
লৌথোক্কুনা ঐহাক্না
শেৎচিনবিগনি
শেংলবা মঙালগী ফীজোল।
চৎসি চৎলু চৎসি চৎলু।
নশানা য়াদ্রবসু
নমদুনা পুবগনি ঐনা নঙবু।

মঙ ওইববসু তাইবঙ ওইববসু
অঙকপা অমনি অঙকপা অমনি।

(২৫ সেপ্তেম্বর, ০৯)

স্বাইন ফ্লু

[illegible]

[illegible]

দাহৈ অমসুং তিন্দা মহীক মাওই।
শিবিবশিং অদুদি কনা কনানো খঙঙব্রু '
লাইবনা ঙাক্তবা অশোনবা ঙাক্তবা
মখুৎ হনবা ঙমজনবা
কনা লৈজব্রবা মীশিংনা শীক্রিবা অঙাংনা
নংত্রগা পাক্কল শোনবী নুপীশিংনা '
ফত্তবা না ঙাভগনু ফত্তবা দস্তু তাকনু
য়েংহৈদবা য়েংলূনু
দাবী পাক্লকনু অশিবা হীগা।
মুমদগী মপান থোক্কনু
মীওয়াম্দা য়েংলুনু খানা।

ঐথোয় নুপীনা হায় ঃ
মপান থোকখিনুকো
নশকুগা মূর্তিন মা চেক মান্নদনা'।

(০২ অক্টোবর ০৯)

হে পৃথিবী

হে পৃথিবী, মানা থাঙলেনা নঙসে'
নঙনা চৎনীংবনা মায়কৈ অমদা
নঙবু নমদুনা কারগা পুরিবনা
নঙনা পামদবা মায়কৈ অমনা।
নঙগী পুক্নিংগী থাবু লৌথোক্লুনা
হাপ্চিল্লি মখোয়না পাম্বা মাহৈশিং।
মী থবনা নঙবু চিংলি মাঙলোমদা
মী ময়াম অমনা থা চীক্লা মাম্রে।
নখোঙদি মাঙলোমদা থাংলি হায়বশাই
চৎপদি মনীংলোমদা হন্দুনা চৎলি।
নহাক নশানা মাঙজবা নশাবু থিজরি
নশানা নশাগী মনুংদা লম্বাঙনরি।
মৎত্রবা তমথিববা মী ময়াম অমনা
নঙবু তাম্নবি নঙবু তাম্নরি নঙবু তাম্নবি,
নঙনা চেল্লি নথবায় খুবাক্তা হাপ্লগা।
নহাক চোল্লি তুশিল্লি অমুক হৌগৎলি চেল্লি।
নহাক নশানা মাদনা জগোয় শাবি
নশাদা থি অমত্তা হেক থোৎদনা।
ইকোয় কোয়না ফম্লদুনা মখোয়না
নুংঙাইনা কুম্মৈ যোংলি খুবাক খুদুনা।
তুঙ তুঙ চাক্লিবা নুমিৎকী অকোয়বদা
উব্ব উব্ব উব্ব উব্ব লৈরি নঙনা,
লৈরি লৈবি লৈমন্দুনা নকোক ঙাওবি।
হে অবাবতনা নশঙক ওইরবা পৃথিবী
নহাক হৌজিক কবি তৌবা তাই?

(০৪ ওক্তোবর ০৯)

ফুদ পোইজনিং

রেষ্টুরান্ট অমগী মনুংদা
চঙ্গী মপূং কাপ্পিবী নুপীমচা অমনা
থোক লাউনা ওথোয়রকই
অত্তাং অমা।

করিবু চারস্রবনো থগুদে।

(০৮ ওক্তোবর, ০৯)

রাবণ

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]

অহিং

অহিং অসে থেঙ্খবে।
কনা কনানো লাঙ্জিদ্ব ময়ামসে
অসুক থেঙ্গলবকানসিদা"
মখোয়দ্গ খেম্নবা লৈতে
অফবা ফত্তবা অচুম্বা অবানবা
নংত্রগা অমুক নুংথিল নুমিদাং।
মখোয়না তৌবিবসিনা মীহুৎলদা নুংঙাইহন্দে
নংত্রগ শাউনীংহন্নি হায়বা বাখল লৈতে।

ঐহাক
নুমিদাং হেক ওইবকলগা
থম্মোয় অসি খংলীক লীকর্লিন্নে।
গলি অসিদা ঐহাক
চৎক্রবনি কয়াবক হয়া।
অদুবু কিবদি ফবা লৈতে।
খণ্ডবা ভুমদে মাণী প্রেমনদা মাণা লমচৎ।
চত্তবদি য়াদে চত্তবদি য়াদে।
মসিগী খুবকা গলিশিং লোঙ্গলদা জঙ্গলশিং
ইনদ্র শামুখি মন্তশিংগা।
অমম্বা মবক্তা
কনা কনানো খত্তদে জুক জুক
কবিনো খত্তদে ভাত্তনখি অমুক চাইথোকখি।
লেম্না লোমা
য়েংই ঐত্তোম্দা চিংনলা
অতোম্বা গ্রহদগী লাকপা মীপুন।
মত্তগী পাম্বীশিং থৌই মশা মদেং সন্দোক্লদুনা।
কম্লিবা কাত্তবুনা কম্নি লেম্না লেম্না,
নোক্লিবা কাঞ্জুসু নোকই লোম্না লেম্না।

অদুদগী মাঙুখি গাল্লিশিংদা
মখোয় মমাম।
কৰিনো থিবিবা মখোয়না?
অহিং অসি থেঙলে চায়বা
খঙদববা মখোয়?

অহিং অদো থৌখি মাঙ্গা বানা
ঙাইদুনা লৈখি নোংঙানবা
মীং কক্কা অমত্তা তূমদনা।
নোংঙাল্লকপদা
অনৌবা অবাবা অমনা ঐহাকপু
ঙাইদুনা লৈবমই ফমদুনা
ঐগী বেইটিং কমদা।
নুপীনা হায়বকই ঃ
ঘনা কুইবর্বানি মানা ঙাইবক্লিবসে'

(১৪ মার্চ ৮৮ ০৯)

বেক্কশিংগী লায়না

বেক্কশিং অসিগী
শম্থীবরা লায়না অমা লৈবি—
মখোয়গী শাংলবা কৃগী মমৈ
হৌজিক্কী মতমদা
লায়না অসিনা নাদবা লৈত্রে।
(মীসু কৃগী মমৈ শাদ্রি!)
খুববা কা খুববা গলি খুববা কোবিদোর
খুববা কাউন্টরগী মখুন ।
লৈবক কোন্নাং পুম্বা
মশা মবেং থুশচিল্লি।
হাঙলবা চাকখাউগা হাঙলবা ফুবীংখাউগা
লোয়া লোয়া মীংচাত্নৈ।
মবুক লাম্লবা ময়াম
ময়া লাওনা কাথোক্লি।
পীজগদবা মীনদি থাদবক্তে,
মখুং অদু ফুবীংখাউদা হুমজিল্লি,
শংশদি খক শত্তোবক্তে।

ঐগাকসু লেপ্পি কৃ মবক্তা,
লৌথোক্কে হায়দুনা শল্লি
কাউন্টর অসিগী মখুন্দগী
কন্নানসু ক্রেম তৌবিদ্রবা
ঐগী অশিবা হকচাং।
অদুবু মখুন অসি পীকমলবনা
থিংজিল্লুবা খুৎ অসে লৈত্রে মৈশিন্দুনা
শত্তোকপা য়াদনা।

(১৫ ওক্তোবর ৮১)

শৈরেংগী লায়না লাইওঙ

১

মেৎনবাগী মৈবাংনা

লংঙ্খি খুঙ্গাংনা।

কাংগুল্লবনা লাই থংনা থংনা

মৈবাংগী মৈকাপ।

তাংখুলগু তাঙবা চীগী মৈগী চুম্বি।

২

চিং'খী মথক্তি কংক্রু মাঙি

চিনমা মতেকসু মাঙি

মযাই কংক্রিক কংই

লকপী মোঙ্গাই লীংলি।

ইথমনা সহবগী সড়কলংদা

কুপ কুপ ইনিং চেৎপা গাড়ীলিংগী

মাই ওকপা পাইথলিংনা

পম পমথ লোক খুবকই।

৩

লাইবক মকচুমিগী লমদমদা

চৎলি মইরোইদকী লোয়নন।

মাগী হকচাংনা কয়াদা চংলিবা

হৈগী হকচাংনা

মৈ থৌবগী থাংগী মৎতা

ইন ইম চেংলিবা মেহৈ থা অমগুম

কয়াদা লেনা হাপ্তুলিবা।

ইং খেমচন্দ কাংলেন

হাংলবা চীংগী মতোন্দা।
খঙহৌদনা তুংদগী কনানো অমনা
তোক লাউনা কোক্তা খোল্লকই,
অান মাঙখি ঐহাক।
দাক্তবনদি হায়রি ট্রৌক্তি অতৌ কবিসু নত্তে।
(ঐনদি ঐবু নুংশিদবা কনাগুম্বা অমনা
এটৈক তৌবকপনি হায় লুপ্লগা।)
ঐগী হকচাং তংখায় অমদি শিবে।
শিববা হকচাং তংখায়দু
অহিংবা তংখায়দুনা
চৎলি শোবো শোবো চিংদুনা।

৫
এইদস পক্কবা উপাল অমা
অসুম কংশিল্লক্লকই অসুম কংশিল্লকই।
ঈশিং চাইবদি লেপ্তে।
নোংমদি শোয়দনা চোংলকখিগনি
তগৎ তগৎ তেকপা মযোল,
শাৎলকখিগনি ফংগায়না
অাশাগী লৈবাংনা।

৬
কেন্সব—
রায়খ্ অমগী মমীংনি
নৎত্রগা ফোর্সেপ্স অমগী মমীংনি।
মসিনা চপশুবদি
নোং খোংদ্রিফাওবা থাদোক্তে।
মণিপুরদা নোং খোংদে নোং তাদে
(নোং তাদ্রবনিনা তোত্তিসু
তারকউ হায়বা যাদে :
নোংনা তাদবদি যাবগা
ঐদি কবিগী তাক্ককনি?)

৭

য়েংঙু হোস্পিটাল অসিদা
অনাবা ময়াম্বা কুক কুক ইয়রিবা
কেঙ্‌এলাটিদা বার্দতা ও শি দি দা,
অদুবু কদবম্বা মতমদনো
মঙ্কক্কদবা মখোয়
অশিবগী লাইপুং অসিদনী?

ঐগী ইচানুপীগী মমীং
কোমেবা হায়না থোক্লে।

(১৮ ওক্তোবর, ৮৯)

ওফিস অমগী কাউন্টর অমা :
ইনক্বাইরি রিপোর্ট

অহানবা নুমিৎ :

অহাঙবা চৌকি অমনা
যাম্না চীং লেম্না ফম্লমই।

অনীশুবা নুমিৎ :

'ক্লোজ ট্যুদে' (ঙ্কুতিকা)।
তূমীং ফাওবা পাইবমদে।

অহুমশুবা নুমিৎ :

চেদা ইবগা থেংনমই -
'দু নোট দিষ্টর্ব'।
চৌকিদা ফম্লগা মহাক
নাখোক্লুনা তূম্লমই।
কাংথোক্লবা ময়াদা হয়িংনা
নীংগাংনা ফম্লগা
মাংশিল্লি।

মরিশুবা নুমিৎ :

থোঙগী মচীন্দি হাংলে
মাগী মচীন্দি লোনশিন্দুনা লৈ।
'সাইলেন্স ইজ গোল্ডন'
কবি কবম্না প্রোটেষ্টনো থম্বদে।

মঙাশুবা নুমিৎ :

রোবোট অমা ফম্লমই।
মাগী চীন্দগী থোক্লকপা দাইরিশিং
থাঙগুম্না থৌই -

ঐনা হায়বা থূদীংমক
থবং থবং কক্কই।
ৱাহৈ লীক্লা লীক্লা হায়
সটলাটিনা হায়বা শৈরেংশুম।
মীঙোন্দা হক্লিন হক্লিন হায়দুনা লাক্লেবা
চীনফা পূববা ৱাদুমক
ঐঙোন্দসু হায়বকই।

তরুকশুবা নুমিৎ :

'ওন কেজুএল লিভ' –
মচীন ফেত্তবা চৎখি।

তরেৎশুবা নুমিৎ :

লৈবমদগী কোয়থি থিন্দা
'ট্রান্সফার' চৎখিবদুগী
অা লাইবেবাক্লা!

(২২ ওক্তোবর, ০৯)

নুমিৎ অমা পুম্নী অমা

অমুক্তা নুমিৎনা তবং তরাং থোরকপদা
ঐনা হংই বাহং ময়াম মথং মথং লেপ্তুনা
শীত্রিবা পঙলবা অঙাং নারা অমগুম
মসিনা কবিনো মদুনা করি মরমশীনো
মীগা মীগা কবিগী অসুক নুংশিনদ্রিবনো
মীনা শুপ্নগী মশাগী কান্নবা থবগীদমক
কবিগীনো মীবু থুংলাই ওইনা শীজিন্নবিবা
নুংঙাইজবিবা মীঙোন্দা অরাবা শীবগা ?
কবিগীনো তনৌ তনৌবিবী নুপী অমবু
ইজ্জৎসু মাঙহনবিবা হাংসু হাংতোকপিবা ,
ভগবান্না হায়ঃ বাহং যাম্না হংগনু অঙাং,
কবি থোকএনা তৌশাবিনো কান্নদবদা।
ঐনা কবিগুম্বা অমা চাগে হায়না থাজংলুবদা
মহাক্কা হায়ঃ চাগনু চাবা ফত্তে নানি।
কবিগুম্বা অমা শায়গে হায়না তৌকবদা
চৈহংলিঃ মথুং অসি ওথোক্কা যাওগ্রে'

নুমিৎনা খবা খবা অসুম হাউগৎলকপদা
ঐহাক খজিত্তং শিংবা হেনগৎলকই।
ভগবান পাখংলকইঃ মহা পাপীগী মচাসে
লাক্লবা ঙাঙনবা হায়নবা ঙম্নবোইদবনি'
বাহং হংবদি লেপ্তেঃ ভগবান ইবুংঙো
নঙবু তশেংনা লৈরবা নংত্রগা শাশিন্নবরা
লৈপৃংনা লাবা লনগুম্না মে থোংদবরা ,
ঐনা নঙ ওইবম্রবা সংসার অসিদা
লৈহন্নপ্লোই ভাইবঙ জীব অমত্তগী অরাবা,

নুমিৎনা লৈথবকপদা ঐহাক চোকথবক্লে

ৱাহং হংবা তোক্লুনা তৃমীন লৈবা তপ্লে।
সংসাববু তৃক্কচবক্কে মীওইববু হঙোইরক্কে
হিংববু কিবক্কে মীবু কিবক্কে ইশাবু কিয়ক্কে।
চাগে থক্কে হায়দ্রে বায় নুংঙাই হায়দ্রে,
তৃমীয়া তাদুনা লৈপ্রে হোসপিটালগী ফমুংদা।
ভগবান্না হায়বকই: মাববোই মৃমদা পুথজো
মানা চানীংবা ইনশাং কবিনো পীজবো।

নুমিৎ তাবে : হয়েংগী ৱাবীসু মসিমক্কি।

(২৪ ওক্তোবৰ, ০১)

রেলগাড়ীগী অন্নাবা

মীদা নত্তে রেলগাড়ীগীসু
লৈবি অন্নাবা ময়াম।
লান্দুনা চৎলি
মবোক মবোল নাইনা থৎলিবা চীংশাং পবেং
লোক কয়া তুবেল কয়া কয়া।
শা কৈন্না থল্লবা
শূক্লবা জঙ্গল কয়া ফাওদুনা চেল্লি
কংবা নাইদ্রবা তুবেলগুম।
ধর্ম্ম তোঙান তোঙানবা মী কয়া
জাৎ মান্নদবা কয়া কাণ্ডলূপ কয়া কয়া
হাৎল মান্নদবা কয়া
লান্দুনা চৎলি মশানা মশাবু থোং শাদুনা
মশাগী মথক্তে কাদুনা
তোঙান তোঙান তৌববা লম কয়া শমজিন্নদুনা,
কয়াদা হাদিগনবা!
বোম্মগী মথক্তা চৎলি নেৎতুনা
তাইবঙগা মঙগা শমজিন্নদুনা
পাউ ফাওনহন্দুনা অশিবগা অহিংবগা।
মকক মকক শমজিন্নবি
ঈকতোক্লবা তাংশিং লৌশিন্নবি
অমগা অমগা মান্নদুনা ফানবি
থবোয়গা হকচাংগা ফানবি
নুংশিবগী পাউজেল য়েন্দুনা চৎলি।
হকচাংগী ফীভমদি
অসুম অসুম শোকচন্নকই
মতেক মতেক শিথবকই।
মগী দবাশিং চাক্লি হৈনা
চাক্লা চাক্লা চৎকি লেপ্পা লৈতনা

পুংই শিক্লম নাকন্নবা মীশিং
লম্যনা কয়ানা নাববা হিংনা হিংনা পংলবা
মখোংগী মখুৎ পড়থরবা হিংবগী আশা উদ্রবা
এইদসনা নাববা কেন্নবনা নাববা কিন্দনি ফেজ ওইরবা
ষ্টেসন অমদগী ষ্টেসন অমদা
সহর অমদগী সহর অমদা।

খুণ্ডদে কদায় তায়া পুগদৌরিবা।

(২১ ওক্টোবর, ০১)

লোদ সেদিং

লোদ সেদিংগী মতম মৌবক্কে
ওহ অরাবনিদা ওহ অরাবনিদা'
মখুৎ অদু থাংগৎলদুনা ঙাইবস্রগনি
ঘড়ীগী পুংশীং য়েংলদুনা
থরায় শংকদবগী ঙাইবগুম যম্মা।
ওহ শংস্ত্রে' ওহ শংস্ত্রে'
পুন্সম মমশিনস্ত্রে সংসাব পুম্মা।

(২৯ ওক্তোবর, ০৯)

থীবোঙ থীরীন

সহর অসিগী লম্বী ময়াদা তিংলিবা
টেলিফোন লাইনগী নত্রগা এলেক্ট্রিক লাইনগী
তার্দাশিং অসি উবদা
ঙাং মাঙই।

লেংমা ঐনা ওপরেসন তৌবিবা
গাড়ি এক্সিডেন্টতা লোক্লবা
নুপা অমগী মবুক্তা
ইম্ফাল সহরগী
কোক থা ওনমখৈ ইযোং য়েংলিন্নবা
সড়ক কয়া উখি,
ঐডাং শত্রুদনা পূর্নশিল্লবা
অসি শুদ্ধা তাবা চবুন চবুন উখি।
মাখুবমই অসিনবা চকচাংশিংনা
তার্দাশিং অদুনা
লোকপীগুম্না।
চউইদ চডমগা থোকখায় খত্তখদে
লম্যাংতুনখি ঐহাক।

অদুনসু মিংগা লকী লম্বীদা
হেক হেক লম্যাংতুনবিবা
এক্সিডেন্ট থোক্লুনা শিবিবা
লেংমত্তা কাংদনা।

(৩১ ওক্টোবর ’৯)

ফেক এনকাউন্টৰ

ফেক এনকাউন্টৰদা
মৰাইবক থীৰবা
হৱিং অমা শিবে'

হৌজিক্তি কৈদৌকদগে '
অশিবতনা মাঙজবনি।

(০৩ নবেম্বৰ, ০৯)

হৌজিক্কী মতমদবু

ঙ অমম শায়দে তাও।
হৌজিক্কী মতমদবু
থাজনদবা নহাকপু ?
মী অমনা মী অমবু
মশি মখাদা নমথরগা
মীশিংজাবা মী লৈদ্রে।
অশুকপা নংত্রা সিরে ?
অশুকপা নংত্রা সিরে ?

(২৩ নবেম্বর, ৯১)

য়েক্লবা*

নুংশিংবী মথক্তা নখোঙনা লেপ্লদুনা
খোইথুম্লবা লৈশী চুপ্লিবা উচেক নঙনা
লৈবাং ওইনা ফগায়না শাংলিবদু
প্রেয়িং মেন্টিস** অমনি খঙদ্রবরা?
কবি থোক্লে হৌজিক্তি শিবেদনা'
নহাক হৌজিক্তি খ্বান তাবববা
য়েক্লবনা করম্না শক্লোন লৌবম্না ?
মথংদদি নহাক শোয়দনা চেকশিল্লু'

(১০ নবেম্বর ০১)

---

* এনিমেল প্লানেট' চেনেল য়েংলুবদগী ইথবা, ** থাজোন লেনবী— কৌজেংওম্বা উীন জাং অমা।

হৌজিক্কী মতমদবু

ঙ' অমা হায়গে তাও।
হৌজিক্কী মতমদবু
          পাজ্জপদবা নহাকপু?
মী অমগা মী অমবু
মসি নখাদা নঙথবগা
          মীওজাবা মী লৈনে।
অঙুকপা নংত্রা সিবো?
অঙুকপা নংত্রা সিবো?

(০৩ নবেম্বর ৮১)

য়েক্লবা*

নুংশিংবী মথক্তা নখোঙনা লেপ্পদুনা
খোইথুম্লবা লৈহী চুম্লিবা উচেক নঙনা
লৈবাং ওইনা যুগায়না শাংলিবদু
প্রেয়িং মেন্টিস** অমনি খঙদ্রবরা ?
কবি থোক্রে হৌজিক্তি শিবেদনা।
নহাক হৌজিক্তি জ্ঞান তাবববা
য়েক্লবনা কবম্না শক্রোন লৌবম্না ?
মথংনদি নহাক শোয়দনা চেকশিল্লু।

(১০ নবেম্বর, ০৯)

---

* 'এনিমেল প্লানেট' চেনেল য়েংলুবদগী ইথিবা, ** থাক্তোন লেনবী— কৌজেঙগুম্বা উীন অাং অমা।

চৎনদ্রবা লম্বী

লোন্তলে লম্বীসে

মশম মনা কক্লবা মকোই মবাং চোল্লবা
নুপা অমগুম।
অশিবা হকচাংনা লাংদ্রোং শাংনা য়াতাবগুম
লম্বী অসিনা য়াতাবি।
মতম অমা লম্বী অসি ইহিং হিংলমই।
চৎখি প্রোটেষ্ট বেলি কয়া
মাগী মথক্তা
পেন্দবগী খোল্লাউনা নিল্লদুনা
মীওং মীনৈ কয়াগী মাযোক্তা,
লাঠি চার্জ তৌখি
নোংমৈ কাপখি মায়কৈ খণ্ডদনা।
ঈনা ভাণ্ডলণ্ড ভাউনা মচু শঙলবা
মশীং লাকতমদ্রবা অশিবা হকচাং কয়া
লম্বী অসিগী মথক্তা লৈখি তাদুনা।

হৌজিক্তি

ইচাক চীকপ্তে অহিংগী মতমগুম।
পৃর্ণশি শিবদি নপ্তে।
উচি অমনা তফিং তফিং চেল্লকপদ
মিহন খজিক্তং চোংলকই।
উচেক অমনা লাল্লা পাইখিবদা
মমীং শাণ্ডথোক্লককই খজিক্তং।
মখোঙ মখৃত্তি লেঙদে লেঙবা ঙমদে
ষ্ট্রোক্লা নাম্লবা অনাবা অমগুম।
মহাক্কী হকচাং
খুমজিন্দুনা লৈবি মোংফমগী মখাদা।

অসুম্না অসুম্বক
কম্না কুইনা লৈখিগনি।

(১১ নবেম্বর, ০১)

ইফিজি

নৈদংক অনবা অসুম কোয়না কোয়না চৎতুনা

চংই ট্রেন ভুইহাক লেপ্তুনা :

নৈদাক অফিসকী মপু কনানো '

সড়ক লমক্তাও

উযূল ইথং থাংই।

লোংজুথাগী মতমদনা

নৈনাংনা খুড় য়ৌই।

মৈ য়াওদনা এলেক্ট্রিক তাবা ময়াম্না

মিথাং শানা তিংই লম্বীগী মতাইদা –

লম্বীগী সাইনবোর্দ ওইনা লীজিল্লে।

কেরোসিন মনম নম্লবা

মমীৎ তাওলবা ষ্ট্রিট লেম্পশিংনা

মমীৎ খৎনৈ -

ফেসন সো মখল অমনি।

শেংকী মমলদি

কাংখিবদনি কুমথবকশগী বাদি নৈতে ,

ঐখোয় চবা হেন্দুনা শিনবা

শেম শাদুনা লৈবা য়াবে।

লৌনীং লৌনীংবা মমল লৌই দুকান্দাবনা

চেকশিন্না থমজবা নুপীগী ইজ্জৎপু

নমদুনা লৌবগুম্না।

বন্দ ব্রোকেননা

থবক চাউবা হেক্কংতল্লি মখোয়গী।

ঈশিং মানা মানা শাম্না তৌই

থনাসু খোবক্লনা

কৈ নংত্রগা ফত্তে হায়দে।

মঙীন কেনশিল্লি মখোয়

হেংনা হেংনা উন্দা উনা উশিনদবা হৈ।

অশিবা হকচাং চংজি কান কান্দুনা
উন্না উন্না উহৌদে হেক্তা হায়।
ঐনা হংই :
লৈবাক অসিবু মপু পাম্ত্রবরা?
নুপা অমা খোবকই
মহাক লৈবাক্কী মপুনি হায়।
মহাক কবি তৌবি'
নাখোক্কুনা ভূম্লিব্রা মঙত্রঙ শাম্নবিব্রা
নংত্রগা খোঙত্রাই শংলিব্রা'
কবিসু তৌদে।
ঈংবনা মখুং তিংখোকপা তাব্রি।
বা ঙাঙমন্দে মচী লেঙদে হায়দুনা য়েংলুবদা
ইফিজি ওইবমই
মনুংদা চকনা থম্না যাওবা।
কয়াদি মাম্নত্রে মীগা ইফিজিগসে
কয়াদি মাম্নত্রে'

(১২ নবেম্বর ৮১)

উদববা?

লৈবাক অসে য়েংঙু পীক্রবা লৈবাক অসে
ইমন নম্রবা ইশেং শেগায়বগা ফিজোল গুন্নবা
থুগাম্বদা চেনখায়বা নঙনা শেম্বজিনবিদ্রবা
অংগক অকায়বনা থাজবা মচেৎ মচেৎ কীম্বুববা
ইচাউ চাইনা তাবিবা লোইশিন থমজিন্দনা
চবায় চদংনববা কংশিল্লবা শব্দ হুমদাং উববা
তম্না য়েংবিদ্রবা মাগীনি হায়বদা কনা লৈজত্রবা
কোকপা লৈত্রবা লায়না অমনা কল্লা নাববা
চিংবগী অমা উদ্রবা দাক্তবনা খুৎ থাববা
অশিবা হকচাং ত্রোনীদা ইন্দুনা পুথোবক্লিবা
নচাক উদববা নচাক উদববা অসি য়েংঙু ।

(১- [illegible] ৮১)

ছাত্তিন

ছাত্তিন ঃ
নোং তান্নবদি
কনানস্ক্রেম তৌথিবরবা
অশিকা হকচাংগা শাংথাক্লে।
অহাঙবা অত্তিয়া ঃ
মী চংনব্রবা লম্বীনি।
খৌগংলবা হকচাংনা ওইখি
কুমগী নোং   ।

হৌখি থাবুম কয়া কুমজা কয়া
তাদুনা লৈখি লমজাও সড়ক্তা
হয়া তুনা য়েংবিদনা নহাক্না
হম্মিংনা বা বা ইনা।
অউবা মীনা শোন্নবা তম্খি
ওহ শিবমায়ে নুংশিদা'

অদুদগীদি
নোং চুবকই ইথা থাজদনা
কুমজা কয়া কয়া বানা ওইববগী তুংদা।
চীনবান লেঙলকই
ছাত্তিনগী মশা খন্দোবকই
জগোয় শাবকই
নোংলৈ নুংশিত্তা লৈনা লৈনা।

ঙসিদি ঐহাক পেক্লে
য়াবে থিংজিনব্রবস্যু অমুক হয়া।

(১৩ নবেম্বর, ০৯)

মিংশেল

মিংশেলশিং মমাঙদা লেপ্তুনা
ইনাশী লকেম য়েংলুদবা
নুমিৎ কয়ানিবোম হুখ্রে।
ঐগী লক অসি কমদৌরিবনো হায়বা
ঐহাক খঙদে।

ঐনা বাবা মতমদা
উৎলি মিংশেলনা
মোমোন মীনোক অমা।
নুংঙাইবা মতমদনা
উহল্লি শূকথবদা মায়েংণ্ড।

চৌংনা চঙী কমা অসি
ঐগী অশেংবা লকপু
লোৎশিন্দুনা থম্লকি মহাক্তা।
ঐগী চক পুম্মক
মৎশিন্দুনা লাক্লি।

অসুক য়াম্না মীয়াম অসিন্দি
মায়থোঙদা তাবা
অদুতমক য়েংলি,
ঐগী থম্মোয়দা চঙলক্লুনা
লেংমত্তা হংলে।

লৈতর্দি চংঙি
ঐহাক কমদৌরিব হায়বনা।
ঐহাক কবক্লা হায়বা ঙমগনি।

নহাক্লা পাল্লবদি
মিংশেল অসিদা হংঙু।

(২০ নবেম্বর, ০১)

ঙসি নোংমা নঙনা

১

ঙসি নোংমা নোংমা কয়ানা হৈদি
চংদি থোংগুক্তবিদা লেপ্তুং লেপ্লগা
চাউরেংঙদা য়েংলম্লগা
মৈতৈ অমত্তসু হায়বমদনা।
ঐঙোন লৈরৌই লেপুনা
ইকায়বনা মায়থোক্তু লূকথনা
চংনীংবা বাহং কয়া হংজৌদনা
চয়নীংবা বাহৈ কয়া হায়হৌদনা।

২

ঙসি নোংমা, নঙনা থজিকথক
তৌগদবা থবক্লা কয়াদা য়াম্লিবা
চংদুনা লৈখিবা কৈমায়দা পৈদুনা।
ঙসি নোংমা নঙনা থজিকথক
শীংপদা চাদ্রবা চিন্নবা যৃবীংকুম।

৩

নঙনদি কান্নবা থবক কয়ানা
নশাবু কয়াদা চিঙ্গহল্লিবা, ঐনদি
তৌদবা য়াদবা অদুথক্তং তৌনবা হোৎনবদা
লাঙখবে পুন্সীগী মহাউ পুম্বা।

৪

হাপনবা অহাবা ময়াম অমা
তৌগদবা থবক্লা ময়াম অমা
পুন্সি চৎলা কায় কায়দুনা চাবকসু
লোইবা লৈববোই।

(২১ নবেম্বর ৯১)

শৈরেং অমনা

শৈরেং অমনা মীংশিল্লকই
চিনম্ভুবসিদ
কক কক ইাবিদ
মীয়ামগী মবক্ত
ইম্বোক ইম্বোক্লনা।
মাগী মকম অমা শেম্লকই
অসুক চিনম্ভুদা
মূব ফাওবা
হোনফনা নৈ উর্দসিনা।

(২৪ ডিসেম্বর ৮১)

নুজা অদো

নিংথিবী নুজা,
নংদু উথি
চক্ত থেং - তং
ফজরবা হাৎ অমগী মনুংদা
থিংলেল যাওনা
নঙগী লম্বাত্তনা নঙগী মায়থোঙনগী
হৌজিক্কুং হাউদোকপদা।
লেংমত্তা লৈবাক্তা তাথিত্রবা
নঙগী তংতৈবী থোঙ
থোংচ নৌঙবত্তনা মথৌ ওইববা
নঙগী খুৎ।
অদুগা নুমিৎ থা পবাশ্মিচাক্তা
য়েংজগে ফংত্রবা
নঙগী মায়থোঙ।
সতর্বসিগী মনুংগী মনুংদা
চাউববা বক্সলো অমগী মনুংদা
নশাতগী ওইবা সংসাব অমদা
অবা অনাদগী য়াম্না থাপ্লা।

মফম অাসদনি
লৈত লাইববা ময়াম হক লৈত্রবা ময়াম
তোল্ল তাববা ময়াম
চবাম চদংনববা ময়াম
অমগা অমগা লেং লেংতুনা চানবিবা
খংনবিবা হাংনবিবা
হিংনা হিংনা মউন থোক্লিবা
হিংথং থংলিবা
চমোংপা মবক্তা

নমথী হণ্ডাই মরক্তা
হাংশগা হাত্তোক্‌শিবগা ।
সম্বগী নিংথোংবা ফংত্রবা হরা নুংশিৎ
পৃথ্বমক অসিদগী থাগ্না
ঈংনা চীক্লা
নঙগী ফজবা মখৈ ফুদোংলদুনা
বাথলদা লৃপ্পিগনি নঙনা
ফজববা মঙলানগী ফুবাশিংনা
ইকোয় কোয়শিন্দুনা
নোকফেৎ তৌবিগনি নঙনা
ফজবগী মবীক অমত্তসু তাহন্দনা।
নঙগী শাংলবা মুববা শম্লাঙশিংদো
নঙগী তবোপ তবোপ্পবা খুৎনা
তপ্না তপ্না খোমগৎলদুনা
কন্যাগুপ্ত অমগী অশা তৌনা তৌনা
নঙনা নোংক্লিগনি
খিত্তংদা
ফজবা মবীক অমত্তসু তাহন্দনা
মবীক অমত্তসু তাহন্দনা।

(০৪ ডিসেম্বর ০৯)

নূং

নূং অমনা মশাগী মমিদা
ননশিন্দুনা ফত্নি নীংঙাইদনা।

শাম্লবি সংসাদ অসিগু
মতৃম তাশিন্দুনা।

মমীংশিং উইশিল্লি,
তূমদনা তূম্না মালহল্লি।

নুমিৎনা থোবকই মাগী মনুংদগী
অদুগা তাখি মশামকী মনুংদা।

ঐন্দি চৎপা তাই
চত্তবা যাদে চত্তবা যাদে।

চৎনা চৎনা হন্না য়েংই –
নূং অদে হৈনিবিবা?

ঐনা চৎত্রবা মতুংদসু
মমীং অদো উইশিল্লিবরা?

(২০ দিসেম্বর ০১)

নিংথমথাগী অমূক অমা

নিংথমথাগী অমূক অমনি।
চু শুব্রা নূপা অমনা চুদগী
মথবায় শুমদোকই।
নুমিৎনা নৈচিল্লগী থূংপায়দগী
নাহ্বোক্লবা কন্না হোৎনরি।
নোংঙানখিবদি যনা মাল্লা কুইবে
মচী লেঙদে নুমিৎ।

শাংলবা অমূক অসি
য়োংকী কোলূপা চপথায়রক্লি।

(২০ দিসেম্বর, ০৯)

চহী লোইবা

খঙহৌদনা
পৃথিবী অসি খক খক চিংলকই
এশিলেম্পসীগী এটেক অমগুম।
মফম মরাঙ খঙদনা
বম্বুলা ময়াম পোকথায়রকই।
খোঙ্গেলশিংনা স্বায় স্বায় মাঙখি
চৈনা পীরম্লগা,
ঙিনখি অহাঙবদা অতোপ্পা খোঙ্গেলশিংদা,
নোংমৈগী মখোলগা
অমত্তা ওইখি।
কবিনো অসুক হরাউনরিবা
থম্মোয়দা
খাঙমন্ত্রবা হিংবগী চৈনা ময়াম্মা
কন্না ওৎলিক্লেদা?

যাররোই কাপ্পরবোই নহাক
লোইববনি নহাক,
দাক্তবনা খুং থারবা অনাবনি।
ফনা কপ্লু নসু হায়জপুনসু নহাক্না
থাজ অসিদি অদুমক তাখিগনি।
হৌজিক নহাক চানীংবা চাবো
নীংগদবা লাই নীংলো
নহাক শিরগদবনি,
কনবা ঙম্লবোই কনানসু।

* * *

জিংগ্রবসিদা

ইংমন্দুনা খুৎ কাওবা তিংথোকপা ওল্লবসিদা
হিংবফাওবা ওল্লবসিদা
কনানো লাউরিবা হেপ্পি নিউ ইয়ার
হেপ্পি নিউ ইয়ার
থম্মোয়নুংদা নারিবা অনাবা অসিদা ?
ওহ্ হাহৈশিং অসিনা
নাকোঙ শীংজা য়ৈরি।
অনৌবা অহা অনা কয়া মীওৎ মীনৈ কয়ানা
অরিবা কয়াগী মহুৎ শিল্লগনি।

ইংগ্রবসিদা
পোকপদা ঙায়রিবা অঙাং অমনা
হঙা হঙা হায়না কপ্লকই।

(৩১ দিসেম্বর, ০৯, অহিং নোংথোম)

চুদা চুরকউ চুরগা খঙগনি

অতিয়া অসিনা
ছাত্তিন শানা খন্দোক্লিবা,
মচু মচুগী লৈরাংশিংনা
মনীং তম্মা শাংকায়বিবা,
লৈচিলনা
ঙাইহাক লৈতনা পুক্নীং হোংলিবা,
নোং নহাক
চুদা চুবকউ চুদা চুরকউ
চুববকান্দতা খঙগনি
নঙগী পুকচেল নঙগী অবোনবা।

* * *

অতিয়া অসিগী মতেম্দা
লৈচিলনা লোংশিল্লিবা চীং শাং তুবেল
নংত্রগা জশিং চাইবী,
খুঙ্গং কয়া কয়া সহর কয়া কয়া,
মহাক্লা ওং নৈবিবা
নুমিৎকী মঙালবু ফাজিন্দুনা,
মঙ্গবা ছাত্তিনগী মশা
ইহৌ হোৌবিবা নোংমৈ মখুলশিংতনা,
মখুলশিং অসি ফাওনা
সংস্কার অসি
ভবিবা ইঙান ঙাম্না,
ছাত্তিনগী মশা ফন্দোক্লিবা
লোইবা নাইদনা
লৈচিলন শাইদিবা মনীং তম্মা,
ভম্ইহি শুম

নোংমদোল থেংনা
ময়ূমদা হুনগনি কাউবমথৈ,
লাইয়ামশিংনা মুন্নরিবা মল্লবা হাউজিন।
নোংনা থমকা তৌরিবা
চুরগে হায়না
চুপি হেক চুদনা চুপি হেক চুদনা,
চুদা চুরকউ চুদা চুরকউ
চুবগা থগুগনি।

* * *

তত্তাদবা লাঙতক্লবা
থংনবা মীংকৃপ্তা
কবি থোক্কদগে থগুদবা,
লৈচিললা য়াম্লিবা
মতৃম মতৃম,
ঈংবনা ফমজিল্লিবা য়াথলনা
উন ওইনা
তাগনি হায়বসিতা কিজমিবা,
অব়াবনা লূমথবিবা,
তুবেলশিংনা হাইবিবা
অঙাংগী নাউস্তুমগুম,
নুমিংনা লোংলিবা লৈচিলগী মরুমদা
কিথী কিকম তৌনা,
নুমিংকী মঙালনা নোং ওইনা চুথরক্লিবা
মঙ অমসুং তাইবঙ অনীগী
উন্নফমদগী
মমৈথঙদা
থাঙবা ঙমল্লদুনা।

(০২ জানুয়ারি, ১০)

ঐ শীতানি

ঐ শীতানি।

লক্ষ্মন রেখা অসিনা কোয়শিল্লিবা

শীক্লবা জগা অসিদা

লৈরেং ই ঐহাক্তা।

লৈবেংনদি

ফজরবা মনাগী শক্তি ওইনা

কয়াদা নুংঙাইনা চেন্দুনা শাম্মরিবা

মনীং তম্না লাপ্তক্লো'

(০৬ জানুয়ারি, ১০)

ঐপী শৈরেং

ঐপী শৈরেং
মশুপী লৈবাক্তপী
নৌনা নুংহোংলক্লিবী কৈন্যাওুম
ঐপী তুংদা ইল্লরক্লিবী।
য়েংশে হায়বদি য়াদে শোকপসু য়াদে–
য়েংবু য়েংলুরবদি শোকপু শোক্লুরবদি
মহাক মাঙখিগনি খ্বায় লাউনা।
য়েংবদি য়েংনীংই ইমীংসিনা
অমুক্তং
কয়াম ফজরবনো খঙনীংই।
য়েংবদি য়েংহন্দে–
য়েংবু য়েংলুববদি
মহাক মাঙখিগনি খ্বায় লাউনা।
অদুনা অসুক কুইবসি
লাকই য়েংদনা য়েংনীং য়েংনীংনা।
য়েংবদি য়েংহন্দে–
য়েংবু য়েংলুববদি
মহাক মাঙখিগনি খ্বায় লাউনা।
মঙগা তাইবঙগা অনীগী
তাইনফম যৌরকপদা
য়েংনীংমনক্লদুনা
অমুক্তা উদ্রিবা মাগী মশক্তা ঙাওরদুনা
লৈদুনা য়েংলুই তুংহল্লা অমুক্তং।
ওহ মহাক ওহ মহাক
মাঙখি খ্বায় লাউনা।

(০৬ জানুৱারি, ১০)

মী লাই লাই মী

ঐগী মরুপকা ঐগা
লীলা শান্নরম্লি।
ঐহাকপু
ফীবম চাত্রবা 'মী' শাহল্লি,
ঐগী মরুপ্পুনা 'লাই' শাহল্লি।
ঐনা হায়জে—
লাই শাজগে লাইবু য়াম্না পামজে।
মদুদা ঐবু চৈহংলি—
মাগী মাগী চানবনি
অপাম্বা থনবা য়াবা নত্তে।
লীলা মনুংদা
লাইববা ময়ামদা য়েন্নু হায়না পীরকপা চাকথুং ময়াম
ঐগী মরুপ্পা পীব্রবসু পী হায়বদা
'ভেবি গুদ' হায়।
লীলাগী মনুংদা লীলা অমদা
ঐগী মরুপ্পা য়াম্না চাউববা
কম্পানি অমগী বোস শাই।
ঐনা মাগী ওফিসতা
পীক্রবা চাকবী তৌবা অমা :
ঐগী পূকচাক থাকপসু মহাক
থদংপসু মহাক।
নোংমা চংলি মাগা ঐগা
বাংত্রবা চীংদোল অমদা লৈবা
মতীক মগুণ লৈববা লাই অমা থুরুম্বা।
মানা যাত্রিক, ঐনা মাবু পূরিবা শগোল।
মানা ঐগী ইথক্তা ভোংলগা
জঙ্গল কয়া ফাওদুনা চংলি
চীং পাং ভুরেল কয়া লাম্লি

লোক কয়া লাক্তি
থুমং কয়া ফাওই।
যৌব্রা যৌবে যৌব্রা যৌদে।
মীনা যৌঙমত্রবা
কয়াদা রাংগ্রবা মফমদা লৈবিবা
ভগবান্না।
চংশদি লেপ্তে দর্শন ফংনীংবনা।
চংমন্দুনা
থবায় মচাসি থাদৌই।
মফম অদু যৌবদা
ভগবান্না পেঙ্গবদুনা প্রযোসন শীরে মাবু—
হেন্না চাউবা লাই ওইহল্লে।
ঐবুনা ওত্থোকশিবে শগোলদগী গধা।
ঐথোয় অনী হন্নকই
মানা ঐগী ইথক্তা তোংলদুনা।

লীলাগী মনুংদা লীলা অমা   ।

লীলা শান্নমন্দুনা চোকথবকই হকচাং।
ঐনা চাক্লিবা মহাক্কা নিংথৌ।
ঐনা নিবগতা চাবা
মহাক্কা শীনীংদবনা লোইবা।
মহাক লাই শাবদা চোকথববা থঙদে
ঐগী লাইববগী বোলদু অমুক
শাগে হায়দুনা হায়বকই।
অঙকপা নিংঙাইহনি।
ঐনা হায় : ফবে ফবে
নঙনা লাইরবা শান্নো
ঐনা লাই অমুক শাবগে।
ঐবু চৈহংলি দিবেঙ্করনা—
নঙনা লাই শাবদি য়ান্নোই

নঙনা শাগে হায়রবদি
চাক্লি কৌতাদু ওইনা শাবা য়াগনি।

অদুবু ঐ খঙই–
মী কম্যা কম্যা লাই ওইখি
শৈশা পায়ষক্লবা লত্তিনবু হাজীল্লবা।
লাইদি নোংমত্তা মী ওইরক্তে।
ঐহাক লাই ওইবা পাময়ে
অদুবু অসুম্না মথোয়না লাই ওইখিবসিদি
ঐহাক সূকপাম পামদে।

(০৬ জানুবারি, ১০)

তাং ঙাক্লি

অকন্বা অমত্তা য়াওনে
মশানা মশাবু অকন্বনি হায়জবশিংসে—
নেং নেংতুনা চংখিবনি ঐখোয়বু মখোয়না।
ঐখোয়না
খাজ্জমদন্বনা অয়ো নাহেবা
চংখিবনি অসুম তাশিন্নদনা
খঙদবা শাদুনা
মশাগী ওইজবথক্তং খন্দুনা
মখোয় ঐখোয়গী মথক্তা লৈবনি হায়রদুনা।
ঙসিদি য়েংঙু মশামক্কী থৃত্তা
অহৃকপা দণ্ডি ফংলে মখোয়।

(১৬ জানুয়ারি, ১০)

হংলাই

নঙনা হায়ব হায়বদুডা শীরগা হৃয়াউই নঙনা
ঐগী অপাম্বা ফোঙদোকচনবগী হত্তি লৈতে,
নঙনা পাম্বা লপী অদুডদা চংহল্লি ঐবু নমদুনা।
ওহ নঙগী মায়থোঙ অকিম্বগী মমক ওইরবা
মোমোন মীনোক অদু লৈরিবমখেদি মী মানবা
মোমোন মীনোক অদু মাঙখ্রবদি কয়াদা থীজ্রবা'
নঙগী মোমোন মীনোক অদুতবু মাঙখিদনবা
নঙনা হায়ব হায়বদুডা তৌদুনা লাক্নি ঐহাক।

(১৬ জানুৱারি, ১০)

পোথারো অশিবা পোথারো

অশিবা, নহাক অসি ঐহাক্কা
কম্মাদা নক্লা ফাওরিবা'
খুৎ অসি থজিক্তংদা ভিংখোক্লবদা
খেংনৈ নঙগী নঙমক্তা,
মীৎ অসি চেক্লেং উহশিনবদা
উহ্ নঙগী নঙমক্তা
মীৎয়েং থম্মা।
পুন্সীগী অহাঙবা পাত্র অসি
ইথন থম্লি নঙভনা।
ভূপ্লে ঐগী নাকন্দা
হীপথবকই ঐগী নুপীগুম।
চাবে চাবদা চখোম থম্লি।
হূক্তে হায়দুনা থাংগৎলকপা
ঐগী চাক্কী চখোম
হূকচিনখি নঙনা ডাপ লাক্কুনা।
চৎনা চৎনা লম্বীদা উবকই
মক ফুক্লবা উপাল
ঙরাংগী নোংলৈ নুংশিত্তা খঙহৌদনা ইম্মুরক্লবা—
নহাক লৈরি হায়বা খঙহল্লিবা
কিহল্লিবা নঙগী শক্তি উৎখোক্কুনা।
অহাঙবা জগা জগাদা
মিরাং শানা থম্লি নঙনা।
ঈ চুপখোকখ্রবা হিংবদি হিংলিবা মী ময়াম
থুজিল্লি নঙগী নপাদা।
মখোঙনা থোংনা চৎতুনা
থুরবদি ওইরক্লোই।
নঙথু বাক্রিবরা নঙথু চোকথক্লিবরা?
পোথারো অশিবা পোথারো।

নঙগী আইগা চানদবা
নত্তবা পাৱৈনা লেপশিনবা লল থুম ময়ামসে
করি কান্নরম্দগে
পুবা য়াগদরা শিবদা?
নঙগী অকাম্পেৎনা থল্লবা মেসেজ ময়াম
মিসকোল ময়াম
সরকাষ্টিক ওইরবা মীনোক
নঙগী হাসেংবা লৈত্রবা লমচৎ ।
পোথায়ো অশিবা পোথাবো
পোথাবো।

(১৫ মার্চ, ১০)

থৱাম্ব অসিদি হায়গনু

কনানো থোঙজীন মপান্দা লেপ্লিবা?
চিংনগনু চঙলকউ লাউ থোঙ লোন্দবনি,
ফমথরকউ লাউ ইনাকসিদা
হায়নীংবা করিনো হায়যু তাসি।
কুইরে ঐনা নাবক্লিবসে
হৌপংপা কাঙথংপা ঙমদনা,
চাদ থঙবা কুইথক্লে
ইশাগী মিং ফাওবা নীংশিংবা থোক্লে।
অৱাবা কয়া মীওং মীনৈ কয়া খাঙবদা
হিংবগী চৈনা ময়াম্না
ঐহাক ঙসি যৌথরে ফীভম অসিদা।
নহাক লাকপা য়াম্না ফবে।
কবিদি পুবকই ঐগীদমক্তা?
অৱাবদি শীবিবমগনু অৱাবদি থম্বিবমগনু
অৱাবদি ওক্লে।
য়েংঙু মপৈ মপৈ পৈরিবা উরববা?
নঙগীবু অৱাবা কবি লৈবগে?
নঙগীবু অৱাবা কবি লৈবগে?
খুংকাম্নীদং কাম্নদা
সংসার অসিনা তুরিবা নঙগী নখোঙদা
চংনীংবা মফমদা চংকেদা নীংবদা চংপা ঙম্লিবা।
চানীংবা চাবা ফংই কপ্নীংলে কপ্পি
নোক্নীংলে নোকথোকই ননীং তম্না,
মীঙোন্দা চৈনীংলে চৈথোকই
তথি তথি তনা তনা,
কনানসু নঙোন্দা করিমক্তা হায়দে।
লৈকোন্দা লৈরাং শাংলবসু শাংত্রবসু
লৈরাংশিংনা কেল্লবসু কেল্লবসু

থম্ভজন থোক্লবসু থোক্কবসু থোক্লম্লগা তাম্লবসু
মাগী মায়থোক্তনা মায়হীং কাম্লবসু কাম্লবসু
থেম্লবা লৈতে নম্ভোক্পা।

মফম অসিদা
চন্নবা লৈতে থক্কবা লৈতে সেবারী লৈতে।
অম্বাবদি চানীংদে
পৎলবা পুন্নবা মনম নমখীরবা অম্বাবদি চানীংদে।
চানীংঙাই লৈতে হু চেন্নবা নুংশিং নম্ভনা
ইশা অসি ওইনা
মচেৎ মচেৎ শেৎতুনা চাথোকপা নম্ভনা।
শিবদি শিনীংদে,
অদুবু ঐহাক
শিদবা য়াদদুনা শিববদি
লৈবাক্কীদমক শিবা ঙম্নবদি কয়াদা নুংঙাইগবা'
মদুমকসু ফংলোইদো।
কবিসু লৈত্রবা ঐহাক শিবনা
কবি কাম্লবা পুবক্কদৌরিবা লৈবাক্কী'?
মশাক ফজবী ঐবু নুংশিজবী
কনাগুম্বী নুক্তা অমগীদমক নৎত্রবসু
ঐবু পাই মনা অমফাওবা নুংশিখিদবী
ঐনদি পৎ তৎপমখৈ নুংশিজবী
কনাগুম্বী অমগীদমক ওইববসু শিবা কায়দে।
অদুবু
ঐগী থবায় অসিদি হায়গনু
অতোম্লা অমা হায়বু
অতোম্লা অমা হায়বু।
ঐগী অরোইবা ওইনা
নঙগী অপাম্বা অদুভদি থুংহল্লীংই হায়ববু
মদুদি ওইথোক্তে।

ঐহাক অসে
হায়না শিরবা মী অমনি।
মনা কুইরে।

(১৫ মার্চ, ১০)

এলেক্ট্রিকী মৈ

এলেক্ট্রিকী মৈ—
ঐহাক্না মীৎ অমুক্তং কুপ্তিডুবা
সৎ নাক্লগা সৎ হনখি।
ফক্নাংদা তারমই
মমি শাখি মাগী খোঙ্গুলশিং
অয়েকপা লাই অমত্তুম।
থাজদনূনা ঐহাক্না
চেংশোক্নুনা য়েংবদা
উখিদে কনামত্তা—
লপী অদো ইহাত্ত হাত্তখি।
থবাম অসি চাক্লা চাক্লা
এলেক্ট্রিকী পোষ্টশিং অদুদা
উবৌব্রা হায়না হংবদা
মত্তুমক হাইরকই
উবৌদে হায়না।

(১২ মার্চ, ১০)

ম্রাহৈশিং

ম্রাহৈ, ঐহাক্তুদি নঙবু শাম্রে
অঙাংনা মৈ শায়দুনা শান্নবগুম্না।
খরা মূনা খজিল্লুরবদি
কিদবদি ঙমদে নহাকপু
খঙবা ঙমদে নঙগী নতীক নগুণ নঙগী শংথৈ।
নহাক হায়বা ঙম্ব্রা
ভুবেল অসিনা কদায় তম্না চেঙ্খিরিবা?
অতিয়া অসিগা পৃথিবী অসিগা
মফম কদায়দা চীন্নোক্লরিবা লোম্না লোম্না,
খঙবা ঙমদে কনাসু।
ঐনা উবিবা শংথৈ অসিগী ম্রাংমদা
ম্রাহৈনা কখম্না শান্নরিবা
কবি কবম্বা শক্লোন লৌখিবা
ঐহাক খঙদে।
মীওইবা কয়াদা তোনস্রবা জীবনো?
খঙদবনা কয়াদা যাম্লিবা'
পুন্সীসিগী ম্রাংমদা
অতোপ্পা পুন্সী অমা লৈবরা?
থম্মোয়বু ইকোয় কোয়না খাজিল্লিবা
ফক্লাং অসিগী ম্রাংমদা
থম্মোয় অমনা করি হায়খিবা
করম হায়না খঙবা ঙমগনি?
মসিনল্লা
মীওইবা অমগা মীওইবা অমগা
থাগোক্লরক্লিবা অসুম অসুম?
চংকদবা লম্বী অসিদি যামদ্রে
তশেংনা চংখিবনা শৃগ্নগী অমখক্তা।
(লম্বী লম্লোঙ কাংবা জগা অদুদা লেপ্তুনা

ঘনা কুইনা লৈখি বাখল তৌদুনা।)
চংখিদ্রবা লম্বী অদুদা
কবি করি থোকখিবা উহৌবয়া নহাক
হায়বা ঙম্বরা ঐঙোন্দা?
চীংকোননিং অসিগী বাংমদা
লৈরমগনি খুজং কয়া কয়া সহর কয়া কয়া হৈকোল লৈকোল
কয়া
থৌবদি ঙমলুদে নোংমতা।
য়েংঙু মঙলান কয়া কয়া
অরেম্বদা মাঙভবনো
থম্মোয়দা কংদুনা অসুম'

নঙনা হায়খিদবা বাহৈ অদুতবু
ঐহাক্না মিহৌরই।

(১৪ মার্চ, ১০)

শৈরেংসিবু করম্না ইবিবগে?

শৈরেংসিবু করম্না ইবিবগে?
হৎই নুপা অমনা নোংমা ঐঙোন্দা।
মাগী বাহং অদু তাবদা
খংগ্রেক খংই ঐহাক,
করি পাউখুম পীসিগে খঙদে।
করিগুম্বদা মঙ মঙলিঙৈদা
তুম্না তুম্না নংত্রগা তুমদনা
বব পীনবিরিবা ভগবানগী খুবাক্তগী
ওয়ো ওয়ো হৈথবকই
শৈরেং ময়াম লেম্না লৈতনা।
ঐনা হায় ওক্তি ওক্তি হৈথবকখো ওক্তি।
ভগবান্না হায় য়ারেদা নঙবো য়াম্মল্লেদা।
ঐনা হায় ওক্তি ওক্তি হৈথবকখো
ওক্তি খবগা বাংলি খবগা খবগা ।
থংনবা মীৎকৃপ্তা লৈমায়দা
জোবো লাউনা হৈথৈ,
শৈবেং মথৈ স্বায় মাঙখি।
পেম্লে পেম্লে কমদৌই
কবাম চাউবরদি সিমঙায় পেম্লিদা'

করিগুম্বদা চংলি মঙগী লৈবাক্তা
ফজরবা শৈরেং থিবা
সমুদ্রগী তোর্বান্দা হৈকোলদা লৈকোলদা
লম্বীদা সড়ক্তা নারক্তা মোংশোঙদা মোংফমদা অমম্বদা।
ফজরবা শৈরেং মরাম
ইচাই চাইনা তাদুনা লৈ
কনানসু হেকপিন্নবা হৈকোল অমদা
হৈশিংনা মাঙবগুম লৈমায়দা কেন্দুনা পৎলগা

নংক্রেগা অমম্বগী ময়ক্তা কন্নানসু খঙবিদনা
ইয়াং লংনা তান্নিবা মণি মুক্তাগুম।
অরৈবমখৈ খোমজিন্নগা
চাউরবা খোড়াখাউ অমদা হাঞ্জিন্নগা
হন্নকই ঐহাক।
মঙগা তাইবঙগা লোন্নবা মফম মৌরকপদা
হি তোংলদুনা তুরেল অমা লান্নগা
মোরে গেট নম্বর টুগুম্বা অমা হেক লাম্থোকপদা
ম্বায় লাউনা মাঙখি নৈয়েং মখৈ,
অঙকপনি'

কবিগুম্বা মতমদদি
ইগে হায়দুনা কলম থাজংতুনা গুইবদা
ইথোক খোকউ মাদে মঙ্গে খেঙ্গু মাইওইবা,
মাথা অসি
ফদিগুম নৈথংতুনা শুম্বদা
বাহৈগী দ্রোপ অমফাওবা তাবক্তে।

চীক্লবা অহিংগী মতমদা
মীন' তৃম্ব হীপ্রম্ববদা
ঐবু হৌদোক্কে নৈবেংনা—
লাকও লাকও চংসি লাকও।
কেকু লোংগী লাম্নে ঐখোয় অনী
মী তাক্লবা সহরশিংদা মী চংনম্রবা লম্বীশিংদা—
মানমুক লোং ঐনমুক লোং
অমনা অমবু ফোঙবা ঙম্মদনা।
মীংকপ খোবকপদা পৃম্মক
ম্বায় লাউনা মাঙখি।

(২৬ মার্চ, ১০)

অনৌবা মপোক

১

মীশিংসে মীবু চাগে হায়রক্লে
মীগী শদোং নংত্রবদি হাউরে হৈনদ্রে।
তাল্লা হেক ফংবদা
চোংশিন্দুনা তাপ শাক্লে,
ফংবু ফংলবা
লেম্না থাবগী রা লৈদ্রে।

২

শুক্লা মল্লবা নঙগী কা অসিদা
নঙনা ঐবু পুশিন্দুনা
ইশাগী মিং লৌহৌরে লৈফম লৌহৌরে
মোবাইল ফোন লৌহৌরে মোবাইলগী নম্বর লৌহৌরে
ঈ চুম্না য়াবা চুপথোক্লে নোক্লা নোক্লা
ঈ চুপ্রিঙৈদা ইজ্জৎসু লৌহৌবগে হায়দুনা
নোক্লা নোক্লা লৌবিদ্রে,
(ইশানা য়ানীংদে হায়দুনবু কৈদৌনি)
ফৃবীংখাউসু চপহৌরগে হায়দুনা চপহৌরে।
অদুদসু নত্তনা
ব্রেন্ড পেপর অমদা
ইশানা য়ানা সহি তৌজরে হায়দুনা সহিসু লৌহৌরে।
হৌজিক্তি ঐহাক ইশা অসে কোগোক কোক্লে।
অদুদগীদি ঐহাক
ঙকলম অসি পায়দুনা ইথোয়রক্লে নহাক্লা
কাগী মপান্দা।
ঐহাক
অনৌবা মপোক অমা পোক্লদুনা
থোয়রক্লে ভিক্ষা নির নিরদুনা।

(২৮ মার্চ, ১০)

খাঙল খাঙলগতা লোইখিবা অরাবা

ঐহাক্কী অরাবদি ইনা ইথক্তা
খাঙল খাঙলগতা লোইখি
শাংনা চিংথোক চিংথোক্লদুনা
নুমিৎ অমনা থা কয়া থা অমনা চহী কয়া কয়া
তপ্না তপ্না
শাক হেক ওইশিন্দ্রবা অশোকপা মফম অমগুম
খাঙল খাঙলগতা লোইখি।
নঙগী বাহৈ অমত্তং সূপ্নতংগী বাহৈ অমত্তংনা
মীৎচিন্না অমুক্তং য়েংবদা
নংত্রগা নঙগী খুৎনা অমুক্তং শোকপদা
পূমকোক কোক্লগদবা ঐগী অরাবা ময়াম
নঙনদি কোকহনবিদনা কোকপা ঙমদনা লাক্লবা
ঐগী অরাবা ময়াম
ময়াম অসি হোৎনবিঙৈ
ঐগী ইথক্তা হাপচিল্লকই
নঙগী অরাবা ময়াম পেন্দবা ময়াম অশাউবা ময়াম
নঙনা হা হা হা হায়না নোকথোক্লগা
মাঙখিগদবা নঙগী অরাবা ময়াম
নশাগী মৌশাদবা চেকশিন্দবা ময়াম্মা
নোংম নোংমগী অসুম অসুম য়ামশিল্লকুনা ঙসিদি
শোৎলুম অমা ওইরক্লবা নঙগী অরাবা ময়াম
ঐঙোন্দা নমশিল্লকই।
মীৎকুপ অমদা অরাবা কোক্লদুনা নহাক
চৎখি নোক্লা নোক্লা
হয়া য়েংলমদনা।

(৩১ মার্চ, ১০)

মসিগী সংসার অসে

মসিগী সংসার অসিদদি
অফবা অদুতং
থোক্কে,
অচুব্বা অদুতং
ওইদে।
কনাগুম্বা অমনা
অতোপ্পা অমমু
শায়ে শাম্ননীংবা মওংদা
শেং শেং মেংতুনা।
অবাবা তারবশিংনা
অবাবা খাঙলি,
অবাবা শীবিবশিংনা
মীবু রাহত্রুবদি
হিংবা ঙমদে।
সংসাব অসিনা
মশাগী অশোয়বা অসি
খঙদবজাংলা?

(১০ এপ্রিল, ১০)

নোংজু

১

নোংনা লেপ্তু না হৈথরকই
ওরো ওরো ওরো ওরো'
হৈদোক্নুনা মাঙলে মমল য়াম্লবা ঈশিংমখে;
তিনখরে নালাদা লাংখোংদা পাম্ভা তুরেলদা চেম্ন্দুনা,
ইখুৎ অসিনা মৌশিনবা নংহৌদে।
ওহ ওহোল্লা পাম্মুল্লেদা'

২

অসুক য়াম্বা নোং অসিবু
কদায়দগী তারক্লিখনো?
মচা কায়নববা মমাগী মীত্তগীবা
মপুবোইবা কায়নরবা নুপী অমগী থম্মোয়দগীবা
নংত্রগনা কল্লবা নুংগী মনুংদগীবা?
অসুক য়াম্বা নোং অসিনা
শৈশাগী নোট ওইবল্লবদি ।

৩

নোং মমীং ফাক্লিবা অসিনা
প্লস মাইনস থেংনবা ওইরবদি
রেল্লুবান্ট অমগী
মল্লবা কা অমগী মনুংদা
নোংবৈ নুংশিং ঙীংপা নংত্রগা
নোংনা ফৃঙ্গিং ফৃনা চুক্ষম খোকই।

৪

উ অমগী উনাকগী
থরাক থরাক য়াম্বে নোংলীকল্লিংনা।

পোক্লাংথোক অসিদা কৌরিবা কি অসিনা মশাদগী
ক্লও ক্লও কপ্লোক্লি চশিংগী মরীকশিং
চেক্লা অমনা
চোংলবা মশা কপ্লোকপগুম্না।

৫
নোংলৈ নুংশিং কয়া শীংলি গুবাংদি।
উপাল্লী অমগী মথবাক শেগায়দুনা
ঈ থকখি মহাক্লা।
মী কয়াগী থম্মোয়দা শাজবা
যুম কৈ কয়া থুদেক্লুনা মাঙহনখি।
মসিদসু নত্তবি মসিদসু নত্তবি
মশক মতৌ ফজববী নুজা অমগী
মফি চিংথোক্লুনা মশা শোক্লুনা
ইজ্জৎ মাঙহনবিখি নমদুনা।

(২৭ এপ্রিল, ১০)

মোবাইল

১
ফোন অমা থীংগে তৌরকই
নাকোঙ শীংজা য়েনা
ক্রিং ক্রিং   ক্রিং ক্রিং   ।

রোং নম্বর'

২
নঙগী বাহৈশিং
কম্যাদা থোইথুম্লরিবা
লাক্লিবা ঈথক ইশোম মখৈ থোন্নদুনা   ।

লাকঙম ফাঙমন্ত্রবা নোংলৈ নুংশিংকুম   ।

৩
মোবাইল ফোনবু
সনা লৃপাঙুম হকচাংগী লৈতেং ওইনা
শিজিন্নবগী মথক্তা
মীত্তা আলোক ওইনা হাপ্লু না
নংত্রগা হিয়ারিং এইদ ওইনা
শিজিন্নবা য়ারে।
মোবাইল ফোনবু লৈরবদি নহাক
বাল্লী শাবা য়ারে—
লৈচিলগরা উপালগরা লৈয়াংশিংগরা
নংত্রগা অশিবশিংগরা।

৪
মোবাইল ফোন অসি নাকোঙদা থন্নগা

অসুম লেপ্তুনা কোন তৌবদগী
উনশা অসিদা তপ নপশিনত্রে।
হকচাংগা থানবা যাত্রবা
শরুক অমা ওইখবে।

(২৭ এপ্রিল, ১০)

বন্দ ব্লোকেদ ষ্ট্রাইক অমুক্তা তোকখিসি

অদুক্তা ঙাইখো
মীংকৃপ অমত্তং ওইরবসু
বন্দ ব্লোকেদ ষ্ট্রাইক অমুক্তা তোকখিসি—
স্বব অমুক্তা হোনখিগে ঐহাক।
ঐনা তৌবনা চুমই
মীনা তৌবনা লাল্লি হায়বা
দবল ট্রেস্পার্ধ অমুক্তা তোকখিসি।
নহাক মথক মথা ওয়না য়াল্লগা
নংত্রগা স্বব থিংলগা
নুমিৎ কয়ানি চুপ্লা লৈবা ঙমগদগে?
অসুম থিংদুনা লৈবন্দগী
মতম থবা শিরুববা মতুংদা
ঈশিংগী ঈমায়দগী থুং লাউনা ফাওগৎলকপগুম্বা
অমুক থিংগৎলকপা ঙমগদ্রা?

মসিনি ঐখোয়না নহানমখে তৌবিবসে।

(০১ মে, ১০)

এলিএন

য়েংঙু মখোয় অসে
থোরক্লিবা শজু শজু শুরুংগুম্বা মকোন্দগী
ঐখোয়না খঙবা ঙমদ্রবা
মখোয়তগী ওইবা সংসার অমদগী
অমুক অমুক থোবক্লিবা মী মবক্তা
মচীঞ্জাক থিবা নংত্রগা ওৎনৈবা।
মীগী শদোং চারগা
হিংবনি মখোয়।
থশ্মোয়গী মহুত্তা
মেচিন অমনা মখোয়গী হকচাংবু
চংহল্লি লেঙহল্লি।
মথুং মখোঙশিং খংলেঙ খংলেঙ লেঙই
বোবোটকুম্না,
মখোয়গী লোল ঐখোয়না খঙবা ঙমদে।
চাউববা মখোঙশিংনা
নেংখায়বকই ঐখোয়বু তীন কাঙ নেংখায়বগুম্না
শক শয়াং তেকপমখে।
ঐখোয়না কবিসু হায়বা ঙমদে
তৃমীন তৃমীল্লা খাঙবা নত্তনা।
মখোয়গী ওইবা সংসাব অমদা তাউদুনা
হিংলি মখোয় নুংঙাইনা
চানীংবতা চা শেংনীংবতা শেং
তৌনীংবতা তৌদুনা
ইশাবু মখোয়না শেং শেক্লুনা চাবদ
ইশামকপু য়েংহল্লগা।

(০১ মে, ১০)

নঙগী নুংঙাইখিদ্রবা সংসার অসিদগী

নঙগী নুংঙাইখিদ্রবা সংসার অসিদগী ঐহাক
লাপ্না চংখিবা পামই।
নঙনদি হেক্তা লৈরম্মই
লৈরক থেকচিনখিবা খুদীংদা।
মচীন তুম্বা চৈ অমনা
ঐগী হৃকচাংদা
নঙনা চক চক থিন্দুনা শাম্নরদুনা
খাঙহল্লি চৈনাখোল ভূমীম্না,
নাহেবা য়াদে নাই হায়বা য়াদে।
অঙকপনি নঙগী সংসার
অচুম্বনা অচুম্বা ওইদে অবানবসু লাল্লি হায়বা য়াদে
শুক্ক শুক্ক নৈশিল্লি মশেন মবাং শানা।
সড়ক অমগা সড়ক অমগা ইমান্দা মাম্নৈ—
মঙদগী মং ফাওদোকখিবদা তাইবঙ ওইবা
তাইবঙদগী সং লৈথোকখিবদা মঙ তাবা।
লম্বীনা মফাং মফাং চংখিদুনা
অমম্বগা শম্নখি,
ফদোমদা চংসিগে খঙবা ঙমদে।
অচেংবা তাঞ্জা য়েংদুনা
লোম্না লোম্না দি চুপই নঙনা ঐবু।
অয়েক্না লৈতে—
পুম্নমক ইতাউ তাউই
অহাঙবদা নুংশিত্তা,
ঐগী সিনি হায়বা লৈতে,
নখুং অদুনা তাপ শায়বদা নঙগী হেক্তা ওইখি।
চংখিগে হায়না খোঙ থাংদোক্লবদা
নঙনা লম্বী শুম্বা মুথংখি
চেনা শেজিননা য়েকপা লাই

ইয়াজরনা মূথংগণ্ডম।
ঐগী লম্বী থংহুনা
নোংহুনতা লৈয়মই নঙনা করেম্মনা।
নঙগী নুংঙাইহিনিম্রবা সংসার অসিদগী ঐহাক
লাপ্না চংখিবদি পামই।

(০৫ মে, ১০)

মথীবোঙ মরীবোঙ

হন্দক মরকসি
লেসনেল হায়রেশিংদা ব্রোকেন অসুম লেপ্তুনা তৌরকপদগী
লৈবাক অসি ওঠোকপা খীতম অমা ওইখরে।
হাঙলবা ঐখোয়গী চাকখাউনা
মপান্দা থোরক্রে
খীবোঙ খীবিলগা লোয়ননা।
মীনা মীবু চৈবদা অরৈবা কোখোক্লুনা
খীবোঙ পন্দুনা চৈবক্রে।
মফি অমত্তা শেংখিদবে মীশিংসে।
নহানমখে লোংতুনা লৈরম্বা ফংত্রবা জীব খুদিংমক
লোইনা মপান থোরক্রে।
ইকায়দুনা নুমিদাংদা হূবম্বা পুম্নমক
যোংনা হূবক্রে নুংথিল পোবোগ্না
নুমিৎকী হেক মখাদা।
মীগী ঈ চুপ্পা ময়াম
নুংথিলদা মৈ থাজগা ঈ চুপ্লক্রে।
মীনা হিংনা হিংনা মশা শেংতুনা চাবিরবা অমনা
অতোপ্পা অমবু শেংতুনা চাবি।
কনানা কনানো খঙনখিদ্রে মীৎ মায় য়েংনখিদ্রে
থেংন থেংনবা শেংতুনা চারে।
অবাম থৌরাংবনা লাকহংলবদা
অমনা অমবু হম্না য়েংনখিদরে।
চংথোকপা কোয়থোকপা য়াদ্রে
রা ঙাঙবা য়াদ্রে লেঙবা য়াদ্রে।
মীৎ পাঙথোকপা য়াদ্রে,
হেক পাঙথোক্লবদা মীত্তা
খুদোম্পীনা চক লাউনা থিদ্রে।

নুংশাঙ্গির হোয়বা ওক্সিজেন ঙৌক্তা নৈতবনা
থুর হোনবা লেঙ্গা তারি
মতম থন্না।

(০৯ মে, ১০)

লম্বীগী মথক্তা পূন্নী অমা

লম্বীগী মথক্তা পূন্নী অমা
মৈনৌ মরু অমগুম তাদুনা লৈ।
অমুক্তং মতোন খিনগৎতুনা
হৌগে খন্নি।
চংলিবা খোঙ মযাম্না
চবেৎ চবেৎ নেংশিনবদা
মথীবোঙ মরীশ্বোঙ থোকই।
নোং মরক্তা লৈনাহ্ মরক্তা
অচৌবা মীওৎ মীনৈগী মেলা অমনি।
মীনা চংপদি লেপ্তে।
অদুম ওইনমক মহাক্না খন্নি—
নোংমক্তং ওইরবসু
শান্নী ওইনা হৌরমগে হায়না।

(১৪ মে ১০)

মীচম

মীচম ঐখোয়গী পূন্সী অরাবগী মশক্তি।
হিংই ইচম চন্না শিবসু ইচম চন্না।
অরাবা ময়াম পোংলম ময়াম
ননশিন্নকই ঐখোয়গী ইথক্তা।
মীচে মীরাং অরেম অপা অপুম অপা
অওবা শরূ শয়াং পুম্নমক
ঐখোয়গী শরুক্তি।
অরেঙ অরেঙ পুখববা লুববা কোম্মুং অমদা
তাদুনা লৈ ঐখোয়।
ঐখোয়গী ইথক্তা নেং নেংতুনা
মথক্তা কাখৎখি মখোয়।
তীন কাঙনফাওবা ঐখোয়গী মপোক অসিবু
মখোয়দগী হেন্না তোপ্পি খল্লি।
ওয়দগীসু নোংমৈ মরু য়েন্তগীসু নোংমৈ মরু
থক্কগীসু নোংমৈ মরু
নোংমৈ মরুশিংগী মরক্তা
লীৎ লীৎতুনা চৎলি।
মী কৌবনিনা শিবদি শিনীংদে
ইজ্জৎ পাম্মই পৈশা পাম্মই নুংঙাইনা হিংবা পাম্মই শান্তি পাম্মই
মীনা উপীত্তবদা খোয়দৌ শাউগৎলি।
অদুবু শাউবা য়াদে শাউবদা শরূক য়াওদে ঐখোয়গী
পেন্দবা কোক্তদোকপা য়াদে।
খাঙবা তাই খাঙবগী পাজল কনবা তাই
অবৈবা চাদুনা হিংবা তাই হাম্লক হাম্লকপদুতা চাবা তাই
অশী অশীবদুতং লৌবা তাই,
লৈত লৈত্রগনা নুংশিৎ চাবা চাই।
অহেনবা শান্নবদি চৈ চাগনি।
ইশাদা হান্নজৈ ঐহাক্না :

যাবু, পেম্মবা কোওদোহ্নুগনু
কনাবুসু চৈরুনু বন্দ ম্রোকেন তৌরনু।
শিবা তারবসু শিদোকউ
নোঙ্গা নোঙ্গা।

(০১ জুন, ১০)

ঐগী য়াম্লীসিসু তাবিয়ু

১

নঙগী য়ামথ্রবা অৱাবদি
নমদুনা তাহল্লি ঐবু।
নঙনা তাবিত্রবা ঐগী অৱাবদি
কনাদা নীরুগনি?

২

কনানো অমনা ফোন তৌবকই।
মহাক্লা হায়নীংবা পুম্নমক
প্রপ প্রপ হায়ববা মতুংদা
ফোন অদু তোক লাউনা থম্মখি
ঐনা কবিমত্তা হায়বা নংত্রিরৈঙে,
ফোন তৌবক্লিবদু
কনানো হায়বা হংবা নংত্রিরৈঙে।

৩

চাউববা উপাল অমদা
নুংতি নুমিৎ খুদীংগী
কনানসু তাবিনবা লৈত্রবা
ঐগী অৱাবা ৱাবী কয়া
তাহল্লি ঐহাক্লা লীবদুনা।
ঙসিদি উপাল অদো
শিথরক্লে অসুম অসুম,
থৱায় মচেৎ অমত্তা য়াওদনা কংখবে।

(১৭ জুলাই, ১০)

নেল পোলিশ

নঙগী খুজীন অদো কয়াদা ফজরবা
কয়াদা কন্নকচবা ঐনা
অদুবু অৱাবদি
খুজীন অদুমক্তা
ঐগী থম্মোয়দা থুম্না থিংজিন্নদুনা
নঙনা শান্নরি
নঙনা শান্নরি,
মদুদগী থোরকপা ঈনা
নঙগী খুজীন অদো
মচু ঙাঙলি
ঙাঙলঙ ঙাঙনা।

(১৮ জুলাই, ১০)

মনুং কননবা

১

য়েনবারাবনা খোং খোংদুনা
অহিংবু থুগায়দুনা
নোং অসিদবু ঙালহনগে লাক্লবি,
নোংদি সূপঙান ঙানবিদে।

২

ঈশিংনা তপ তপ তারি
নুংগী মথক্তা।
নুং অসিনদি করিসু নাচুংবিদে,
হেন্ন হেন্নদুম কনশিল্লি।

(১৩ আগাষ্ট ১০)

করি অমুক খল্লিবগে?

করিগীনো নঙনা ফমদুনা লৈরিবা
ভুমিন্না য়ুংশিন্দুনা
হোয়সু হায়দা মাইসু হায়দা
নতোমতা যোযোন নোক্নুনা?
তাদবরা নহাক নোংমৈ মখোল
লাউরিবা পেন্দবগী খোল্লাউ?
উদবরা নহাক
টিয়ার গ্যাসকী বোমশিংনা
লেন তাবগুম্বা তারক্লিবা যুমথক্তা ফমুংদা কাওখদা
পোকখায়রিবা মানা পামজবা মওঙদা
নংত্রগা মকমদা?
মী পুম্নমক লৈনখিদবে ময়ুমদা
ঙাওচংনদুনা লৈখরে লমজাও সড়ক্তা,
ভুমগনি চাগনি খঙখিদবে।
সড়কী মথক্তা লোংনা হীগু না
নোংমৈ গুলী মরক্তা মঙ্কি পুম্বা লংখোক্নুনা।
নহাক কিববরা?
করিনো হায়গদবা কোক হায়বো
য়েস ওর নো পামই নংত্রগা পামদে।
অমম্বা কাচিন অসিদা
নশা নতোমতা তাশিন্দুনা
করম্বা আশাগী মঙলান্দা লুগু না লৈরিবা?
চংখরো খোকখরো
মীয়াম অসি খাম্বা য়ারোইদৌরি।
হিংবগী হক মাঙম্রবদা হিংবগা শিবগা খোন্নবা লৈবক্নুবদা
কবম্বা মীওইবনা
অসুম খাঙদুনা লৈগনি?

(৩০ আগষ্ট, ১০)

রেলগাড়ী অমসুং মঙ

শাংলবা মচু মচু শঙলবা রেলগাড়ী তোংলদুনা
অসুম চংলি অসুম চংলি ঐহাক,
থাপ্লবা মফম অমদগী হল্লকপনি।
মতৌ কনাসু তোংদে ইতোমত নি।
অসুম চংলি ঐহাক মঙ মঙনা,
ঐনা তোংলিবা রেলগাড়ীসু মঙ মঙই।
মঙ মঙনা রেলগাড়ী তোংই
মঙগী মনুংদা রেলগাড়ীনা চংলি ফাওদুনা।
লান্দুনা চংলি চীংগী মরোল মরোল
লোক ময়াম লাল্লি নারক মোংশোঙ ফাওই
য়ায়া থাপ্লবা মফম অমদগী
মশক খঙদবা সহর অমদগী
নুংশিববা ইয়ুমদা অসুম হল্লকপদা।
যৌবত্রা যৌদৌবে যৌদৌবে
খিত্তা ঙাইরে খিত্তা ঙাইবে মাঙদা লৈরে
চীংলোন অমত্তা ঙাইরে লোক অমত্তা ঙাইরে
খেল অমত্তং লাল্লগা লৈচিল অসিদং হাইদোক্লগা।
যৌবদি যৌদে যৌবদি যৌদে ।

* * *

তৃপ্তি ঐহাক মঙ অমগী মনুংদা।
য়েংলি মঙ অমা হাইদোক্লুনা
মঙ ময়াম অমনা ঐবু ইকোয় কোয়শিন্দুনা।
য়ায়া তাল্লবা মফম অমদগী
তাংথক নাইনা লিথক ইপোমগা লোয়ননা
মখোল তারকই রেলগাড়ী অমগী
কনাগুম্বা অমনা হীশে ঙংবগুম।

অসুম নকশিল্লকই থোক্লেল অদো
অসুম নকশিল্লকই।

(৩১ আগষ্ট, ১০)

অতোপ্পা মৈ

চাউরবা মমীং অনীনা য়েংই
ক্রোক ক্রোক ওন্দুনা
ঙমখৈ নাইদ্রবা সংসার অসিগী
মখক মখা মনুং মপান।
মীগী নুংদা থনবা রাখল
ইশিংগী ইমাঙদা য়েংলদা হায়বা ঙমই।
সহর অসিবু ভুমহনগে
নংত্রগা স্বায় লাউনা মাঙহনগে হায়বা
মাগী কুশিনি।
মনাক্তা নক্লা শীংলদ্বা মলয়া নুংশিত্তা
মরাল অমা হেক্তা শীশিন্দুনা
অচুম্বা শাবসু ঙমই।
লৈচিলদা ডেন কাওনা
নোং ওইনা চুহনবসু ঙমদবা লৈতে।
যজন্ত্রবা লৈবাং অমগী শক্তম লৌদুনা
মকা যম্না শাংপসু ঙমই।
লৈবাংগী মকমদা লোংতুনা
তিংখং ওইনা মুবসু হৈ।

মুম কম্মা মৈনা ভুঙ ভুঙ চাক্রি।
মৈনা হায়বিবদি অসিনি :
মুমশিং অসিনা শান্নজবনি
মখোয় মশা মথন্তা চাকথেকচদুনা,
ঐগী মরাল নত্তে।

(২৩ সেপ্তেম্বর, ১০)

থোক্তুনতা লৈবা থৌদোকশিং

ঙাইহাক লৈতে
থৌদোকশিং অসে অসুম থোক্তুনতা লৈত্রে।
থোকপগী লোইবা নাইদে তোকপবা লৈতে—
শিবগী নাবগী হাংপগী চরাউবগী নুংঙাইবগী
থংনবগী য়েংথীনবগী
অমা নংত্রগা অমা হেক্তা
ইকায়বা হেক থঙদবমথে ।
ময়াম অসিনা
মীং অসিদা চঙশিল্লক্তুনা
চক চক থিল্লকই
থৌববা তিংখংগুম।
ঐহাক
মীং অসি পাঙথোক্তুনা লৈবা ঙমশিল্লক্নে।

(৩১ সেপ্তেম্বর, ১০)

শিবগী মওঙ ঃ পোষ্টমোর্টেম

১
মীশিংনা শিবগী মওঙ অমত্তা যাম্নদে।

ঐহাক্কা যাম্না নুংঙাইজদবদি
নাউবেমগী খুবা কেশোনা শিখিবা মওঙদুনি।
শোবাত্তা পালাগী ঈশে শক্লা শক্লা
থারকপা শেল সৌনবা নোম্বুখিবদগী
অদুম হনগৎনকখিদরে মহাক।

শোবাংকী মনুংদা শোবাং অমা শোনখি।

২
নাউবেমগী শ্যামকক্থাইদি মঙ যাম্না মঙগল্লি
নুংঙাই নুংঙাইবা মঙ মঙবা যাম্না হৈ।
মঙ মঙবদা অকিবা লৈতে হংগোইবা লৈতে।
মাগীদা নত্তনা মীগী মমঙদা লোম্না চঙদুনা
মঙনীংবা মঙ হেক্তা মঙবা ঙমই।
নোংমা অয়ুক অমা মাগী ইমুংগী মীশিংনা
হৌদোকপদা হৌগৎলক্তে হায়দুনা য়েংলুবদা
শিদুনা লৈবমই মাগী কমুংদা ।

মাগী হকচাং শোংলোটখি মঙ অমগী মনুংদা।

৩
শিবা যাম্না কিজবা নুপা অমদি
জোগিং শার্ট অমা খীং ব্রেক পেন্ট অমা শেং
অষ্টৌবা স্পোর্টস শু অমা তোং
হাউিন অমা ওয়কংবা লেংজুমনা যাম্নদনা

মীগী চৈনু অমা মথুং য়েক্তা পায়রদুনা
নোংমা অমুক অমা অসুম রাকিং চংলিজেদা
হকচাংগী মনুংদা করিগুম্বা শরক অমা
সং লাউনা মকমদগী নাম্বোকখিবগুম
নংত্রগা করিগুম্বা লেসনেল হায়রে অমদা
নোং কল্লা তাবদগী লেপ্লাইদ থোকপবগুম
নংত্রগা মীয়ক্তা বোম অমনা পোকথায়বগুম
শিংলী অমনা মথোল হৌনা পোকথায়খি।
করি থোকপ্রবগে হায়বা খঙবা নংদনা
উপাল অমনা কল্লবা নোংলৈ নুংশিত্তা
দোম লাউনা লৈমায়দা হাইথবগুম হাইথখি।
মনাক্তা লৈরম্বা মীয়াম চেনশিল্লখি।
অদুবু উপায় লৈখিদে—
হোসপিতাল তাল্লা পূবকপদা লম্বীদা লৈখিদ্রে।
থাম্বা নংহৌদে লাইবৈপাক য়ৌবনা হানখি।

কম্যাদা যাঙনা চংলিবা রাকিংনো য়েংঙু?

৪
লৌবেস্সম কলামুগী রারীদি
তাবদা অকি তুম্মুংবা পোকই।
নোংমা মানা খ্বাইয়স্বল বাজারদা মথোঙনা
ঈশে ঙংনা ঙংনা অসুম চংলিজেদা
করিনো তোক লাউবা মথোল অমা তাখি।
চংলম্বদগী গুইহাক লেপ্পুনা করিনো হায়দুনা
হাইফেং য়েং ওয় য়েংলূরগা করিসু গুইরমম্রদুনা
অমুক চংলি হুই থোংল থোংলদুনা।
ময়ুম য়ৌরগা মাগী নূপীনা চাক লোইরল্লদুনা
চাক চায়। চাক চানা চানা মহাক্না হায় ঃ
'ওঙ্গোক্লা হাউড্রেদা ঙসিগী ইনশাংসে
ইমানা পোকপদগী অমুক্তা চাখিদ্রি।'

অরোইবগী চথোমদু হুক্কে হায়না থাংগাৎপগা
ওক লাউনা ওথোরকই— ঈনা পূমম্তাও!
চাখিবা চাক্কা অমুক হন্না তারকই পুখমদা।
মন্নামদুগী মরক্তা করিনো মতম অমা
য়াওই হায়দুনা ওৎতুনা য়েংলুবদা
নোংমৈ মন্ন অমা ওইরমই।

৫

ঐখোয়গী ইবেম্পোক চাউবী
চহী মরিফুত্তবা নীপাল হায়রক্কে।
অসুম মন্নাও কোন্না কোন্না চৈশু শুদুনা চৎপদা
নৈবাক য়ৌথবে লাইবক্না।
শূবা নোম্বা কন্নি, নোংমতা রায় হায়দে
নোংমত্তা না য়েক্কে।
ঙাইহাক শংবদা শূমাঙদা হৌবা তিংথৌ পাম্বী
মহাক্না ফোয়বদা ইকোক কোকশিন্নক্কে।
নোংমা অঙনবা অমুক অমা
মশা নুংঙাইতে হায়দুনা অসুম হীপথখিবদগী
অমুক হন্না হৌগৎলকখিদবে।
মমৈথংদা মমীং চৎলবা খুনগী
মাইবা অমা কৌদুনা য়েংহন্নি।
মাইবনা পুক্কীং চঙনা মিহুন য়েংলগা
মুব অমুক্তং চমীং তানা হোন্দোক্লগা হায়রকই :
'লোইবে, খাঙেনফমদা পুথোক্লবা তৌবসি।'
ইবেম্পোক চাউবীনা হায়রকই, মমীং পাঙথোক্লগা
'মদু য়ৌরবরনে ঐবো, ইবুংঙো?'

(২১ নবেম্বর, ১০)

চেকশিন য়া

য়ুমদগী মপান কৈদৌনুংদা থোক্লনু।
থোক্লবা য়াদদুনা থোক্লক্সু
মতম লৈবা খিবিক্তা
নথরায় অদু হাপচিল্লু মনুংগী য়ুম্বীংখাউদা।
থৌরী অমগী মচীন অমনা
নগুগী নম্বাঙদা থুবগা
মচীন অমনা এদ্দুলেন্স অমদা কিশিল্লগা
নতুংদা অসুম নক্না ইল্লহল্লু।
ঙাংলঙ ঙাঙলবা ঈগী বোটল অমা
নঙক অদুদা য়ানশিল্লগা পু।
মীংকুপ পুংজা য়ুদীং খবব পাউ
ময়েক অমত্তা চীথদনা,
অশিবা কয়াগী কোতো মুমা য়েংঙু –
মখোয়বু মশক মুমা খঙু।
দবকাব লৈবদি মখোয় অদু
চেকশিন্না থমজিনবা য়াই করুগা।
লপ্পীদা অসুম চংলিঙৈদা অশিবা মীনা
নঙগী নমীং লৈফম হংলক্লবদি
নথরায় খুবাক্তা হাপ্লগা নয়ুমদা চেল্লকউ।

কনাদসু নশাগী নুংঙাইতবা হায়কনু
পুক্লীংগী অশাম্বা কোঙদোক্লনু।
য়েক্লকগনু নিঙাই শংদানকগনু মীগা
খঙহৌদনা হৌরকপা মৈনা চাক্লুনা
নয়ুম অদু তাজোই ওনখিবা য়াই।
হকচাংগী থোঙ থোঙনাউ পুম্নমক
শৌরোল চেংনা লোনশিল্লু –
ইজ্জং লৌবা শাম্বা মী য়াম্না লৈখনি।

চৎপদা য়েংনা য়েংনা চেকশিন্না চৎলু।
লম্বীদা তাবা শেম্বাংগী অমাংবা
শৈশাগী কোইন নত্তে হায়বা কাউগনু,
খূনগে হায়না কৈদৌঙৈদা খল্লুগনু
অশিবা হকচাং ওইরম্লবদি কমদৌবা?
য়াম্না মরু ওইবা ৱা অমনা—
মতম পূম্নমক্তা নঙনা চৎপা মফম মফমদা
কলম অমগা চেগা থাগনু।
নঙগী শৈরেং অদো ইয়ু লেপ্তুনা ইয়ু
ইবা লোয়া য়াদে, য়াদেকো।

(০৭ ডিসেম্বর, ১০)

করি তৌসিগে?

শৈরেং ময়াম অসিনা য়ামশিল্লকুনা
শৈশিল্লকই লেগুনা অসুম কা অসিদা
ইন্দ্রাজ সহরগী অমোংপগুম।
থিংলিঙৈদা নুংশিরম্বা হকচাংগী মনয়া
অসুম তপ্না তপ্না নমথীরকই
অশিবা হকচাংনা পম্ব শুমথরকপদা।
যোঙদোকপা পাম্মুদুনা থমজিনত্রবা
কক্ক কক্কগা মতম চঙনা ইত্রবা
মফম কদায়দা লৈত্রবগে খঙত্রবা
শিত্রবনি হিংলিবনি খঙত্রবা
কয়া অমনি থাদুনা লোইবা নাইবোই।
য়ানা ইথৈ ইরগা কনাগুম্বনা
কবি হায়রকদগে খনবদগী
লোয়া মথৌবী মেৎতুনা হাংতোক্লগা হুন্দোক্লম্বা
মবাল লৈজত্রবা ময়াম অমা।
য়াখলদা মমি তন্নক্লবা মথবায় পানক্লবা
তাইবঙদা মঙফাওনহল্লিঙৈদা
অঙাং য়ৈথবগুম য়ৈথবগা
শূক শূক নৈশিন্দুনা তাশিন্নগা
দষ্টবিন্দা তোক লাউনা থাদত্রবা
কয়া অমসু য়াওদবা নত্তে।
ইত্রিবা ময়াম অমনসু কুক কুক ইম্ননা
শাংলবা ক্য অমা শেম্নদুনা
অমগা অমগা নেৎশিন্নরদুনা
মাগী মাগী শরূক ফংনবা হোৎনরকই—
'ঐগীনা হায়া ঐগীনা হায়া   ।'
মথুং ময়াম তিংথোবকই
মথোয়গী মরক্তা কাথোরকই মথয়াং ময়াম

মতম কুইনা চরা হেন্জকবা কম্নাগী–
'পীরো পীরো চাৎগে চাৎগে
পূক অসি লাম্বনা শিগদৌরে।'
মখোয় ময়াম অসিনা অসুম অসুম
মুঙ্জিনরক্তি অয়াওবা মকমশিং লেপ্তুনা।
ময়াল কয়িসু লৈজদবা
মীহাৎ মীনা হাত্তোকপিন্নবা
শৈরেং কম্নাগী থবায়শিংনা
লাউরক্তি মথনাউ শেগায়বমখৈ–
'ইরো ইরো কয়ি তৌরবগে?
হায়গদবা বাদু দোঙ দোঙ হেক্তা হায়দোকও।'
অমবোমদনা থৌরবা থাঙলাং অমনা
কক্কে হায়দুনা ঙাইহিবি মকমদা লৈশিন্দুনা
ঐগী বাহৈশিংগী মঙক
থস্মোয়দগী হেক পোকথোরকপগা।

কবি তৌসিগে হৌজিক?
(কলম চীক্রদুনা থাঙই ঐহাক।)

(০৫ জানুয়ারি, ১১)

য়ারোইদৌরি

অশেংবদি ঐহাক্না মহাকপু অঙাওবগুম্বা
মতম কুইনা চাদ থঙনা কনানসু য়েংবিদনা
লমজাও সড়ক্তা ঙাওচংনদুনা লৈরম্বদুগী
লায়েংলঙ্ অমদা পুদুনা থম্বিরম্বনি।
হৌজিক্তি কবিনো অমা তৌদ্রে।
খোরি খোবাং পঙখোক্তা খোংলি
অফং অকংবা মফম খুদিংদা—
উফুলনা থল্লবা সড়কী মথক্তা
শুনু ফজনা হাইববা ফক্লাংদা
ইচীক চীক্লবা মফমদা মোংফমগী খুবাদা
নংত্রগা অকংবা উনাগী মথক্তা।
মচীন্দা চোইবোল লেপ্তুনা লোল্লি
কবি হায়রিবনো কনানসু খঙদে।
মচীন খঙদনা ইয়েং ইয়েং য়েংশিন্নববা
বাউণ্ডরীগী মপুনগুম
য়াল্লবা মাহৈগী চখুন কয়া
ওখোরকই মহাক্কী মচীন্দগী।
চারবসু চাত্রবসু শীজরবসু শীজদ্রবসু
মখোঙদি অদুম হাল্লা লেপ্তে—
মহী লাওলবা দাইরিয়াগী অমাংবদা
শৈবেংগী মচেং মচেংনা শীকথল্লা য়াওই।
ওবা ফায়বা ওবা ফায়বা ওবা ফায়বদতা
ময়াঙ অদু খুবীমুক্তা ঙায়রে কংলিবা।
মহাক কোকপা ঙম্লরোইদবা
শাখীরবা লায়না অমনা নারবনি।
(দাক্তরদা মহাকপু য়েংদা য়েংহল্লবদি
করিসু লৈতে হায়না হায়রকপা য়াই।)
করিগুম্বদা মহাক্না ওবদা

মনম নমথীবা অমাংবা মথাম য়াওরকই,
শাথীরবা মহীক অমনা মথাক্তী
ঈদা তোংশাদা চীরাক্তা থম্মোয়দা
মকোন শাদুনা মচা পোকথোক্লুনা
থাম্না নালা মথাম শম্মোক্লুনা লৈখরে।
মশানদি মসি খঙজপোং নত্তে।
লায়না অসি মতৌ করম্না মহাক্না
কনাদগী লৌরম্বনো হায়বা খঙজদে।
লীরি লীরি শীংপা মলয়া নুংশিত্তা
অকাম্পোং শীজিন্নদুনা লক্লরম্বদগীরা?
থাবল ফররবা অহিং অমগী অতিয়াদা
লংনা ঙাম্নিবা থাজগী মায়থোঙদা
য়েংহৈদবা মীংয়েংনা য়েংলুবগীরা?
নংত্রগা মোংলবা গলি অমগী
গন্নাদা শাংপা লৈবাং অমগী
খায় খায় তাবা শাংলবা শম্নাং
লোঙা লোনথুম্রনা হাইগংলুবগীবা হায়বা
কনানসু তশেংনা হায়বা ঙমদে।
খান্না য়ারোইদৌবি খান্না য়াবোইদৌরি
মখূং অসি ঙাইহাক্তা তুমীন্না লৈতে—
জগোয় শাবিববা ঈশৈ শক্লিববা
মশক খঙদবা সহর অমদা লৈবা
ভাবনা শাবা কনাগুম্বা মকপ অমদা
চিঠি ইরিববা মহাক অসিবু?
অদুগা অমুকসু—
কনাগুম্বী শকহেনবী নুজা অমগী নাম্নদা
নুংশি বাহৈ হায়বসু মাম্লি।
অঙকপা মথলগী লায়নানি মহাক্লীসি
ফজনা লায়েংদবা য়ারোইদৌরি।

(১০ জনুৱারি, ১১)

মৈপী য়াসি তোক্লসি

ঐহাক মৈনা ড়ুঙ ড়ুঙ চাকপা উরে
নুমিদাংবাইগী মতমদা তাল্লবা চীংমায়দা–
কয়াদা ফজরবা পৃক্লীং হুরবা।
কনাগুম্বগী যুমদা মৈ চাকপা উরে।
(মপাগী মথুংমক্তা থাবা ওইরবসু
মীনা কল্লকুনা থাবিববু ওইরবসু।)
শাবী শানৌগী থম্মোয়দা
মৈনা ওম্না ওম্না চাকপা তারে।
এলেক্ত্রিক তাবাদা
মৈনা ফাওদুনা চংলি হায়বসি
ঐহাক হন্দক্তা খঙই।
অদুবু ঐহাক মদু থওইনা লৌদে।
এলেক্ত্রিক তারাদা মৈনা ফাওনা চংলবসু চংত্রবসু
খোল্লবা লৈতে ঐঙোন্দা–
মহাক্লা মপুম্না তৌরবসু তৌত্রবসু
ঐহাক অদুম হিংই,
নুংঙাইতব্বা নংত্রগা খোয়দৌ চাকপদি খঙদে।
মনবু করি তৌবা ঙমজগদৌবিবনো?
ঐগী থম্মোয়দা মহাক্লা
নুংশি মৈচাক্লা চাকহনবা ঙমগদবা?
কনাগুম্বী নুজা অমগী মথুং খুদাং পায়দুনা
মপানা য়াদনা চিংবা
মহাক্কী মতীক্লা?
মহাক যাওত্রবসু অমত্তসিদা ঐহাক
শৈরেং অমা পোকথোকপা ঙমই হায়বা
মহাক খঙজিনবা কৈ।

(১০ জনুৱারি, ১১)

মোবাইলগা গাড়ীগা ট্রাফিক্কা পুলিসকা

খুৎ নামনা ষ্টিয়ারিং পায়না পায়না
খুৎ নামনা মোবাইল পায়বদুনা
গাড়ীগী ভেগ্তা হীশে তানা তানা
নুংশিবী মাগী বাখল খন্না খন্না
হুই খোংনা খোংনা
মীৎ নামনা উইশিল্লগা
মীৎ নামনা শুম্ভ্রংদা য়েংলগা
মলক লৃকখক্ত খক্তনদবী নুজা মাগা
ফোন্দা বারী শানবিঙেদা
ফোন অমসু লাকশিল্লকই।
ফোন অদু পায়না পায়না
লাক্লিবা ফোন্দু ওকই ঐহাক্না :
'হেল্লো কনা ওইববনো?'

'ট্রাফিক পুলিস।'

(২৪ জানুৱারি, ১১) ■



ইকংবম দেবেন ১৯৬৯ দা তেন্থাদা পোকই। হৌজিক হৌজিক হৈবাক্লোইথোং অবাং মাইবম লৈকায, ইম্ফালদা লৈ। মহৈগী থাক্লা এম দি নি। শিনফমা মেদিকেল ছাত্র-ছাত্রীশিংবু লাইবিক তম্বিবনি। মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটি, নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি, রাইটর্স ফোরম অমসুং সাহিত্য পরিষদ, থৌবাল মশাগী লাইফ মেম্বরনি। মাগী শৈরেংশিং সাহিত্যগী চেফোংশিং খবদা (*সাহিত্য বৈচব*, *সাহিত্যগী থাউ*, *সাহিত্য*, অসিনচিংবা) অমসুং শৈরেংগী খোমজিনবা লাইবিক খবদা (*দ বিটি হোইসেস*, ২০০০, এন আর পব্লিকেসন্স, লোইতাং খুনৌ ইংলিশতা হন্দোক্লগা, *তরহ ও আকাশ*, ২০১০, অক্ষর পব্লিকেসন্স, আগরতালা, রাইটিংশুএন ওইনা মণিপুরী অমসুং বাংলাদা, অমসুং *খুপানা খুদোংচকপদা*, ২০১০, মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটি, ইম্ফাল) যা ওই।

• কবিগী মীৎয়েংনা অকোয়বদা মহৌশাগী ফজবদা অমসুং থৌগংলবা মাফমদা য়েংথোকখিবদা থোরকপা মূর্ত্ত কয়াদু মতাল মশেক ওইনতনা ওইবরসু রাইতৈগী তুংলমনা ইংকাম কোম্না য়েংথোকপনি।"

– এলাংবম নীলকান্ত সিংহ

• কবি দেবেন্দ্র মণিপুরী সমাজগী সমস্যাশিংদগী নাক্লোকপা উমদ্রব হেন্নবু লুংগা চন্ডশিন্নবা, মসিগী অকনবা থোংশেল পুবা মতমসিগী চপচাবা কবি অমা ওইবে। হৌজিক ঐথোযনা মাবু তবাইনা লৌবা যাদ্রে। মশাগী মীৎয়েং অমসুং স্টাইল শাগৎপা হৌবক্লবা মমুন ফবক্লবা মেচ্যাবটি লৈবক্লবা কবি অমা ওইবে।"

– থাংজম ইবোপিশক

" শৈরেংগী কলাবু নীংথিনা মচু লোক্লনা পুথোরকপা, মশাগী কলাগী স্টাইল শাগৎলক্লিবা, মপূং মবে ফাবক্লনা হৈজিং ফাবরা খুৎইগী মশক্লি। কবি ডা ইকংবম দেবেন মণিপুরী শৈরেংগী খোঙচৎতা মতাকপু শীংথাদবা মাদবা কবি অমা ওইবে।"

–দা নাওরেম বিদ্যাসাগর

(খড়ু, ১৩১-১৩২ শুবা মশীং, ফেব্রুবারি-এপ্রিল, ২০১০)